কলি যুগকী সতী

[অনৌবা ঈচল]

কলি যুগকী সতী

[অনৌবা ঈচস]

অশ্নিবা :—

শ্রীবাবু ইরেংবা

কোম্থা অহল্লুপ ময়ায় লৈকায় পাল্লি লৈরক

ডি, এম, কোল্লেজ; আর্টসকী ছাত্র অমা।

অফোংবাঃ— ১। শ্রীবোকুল হুইদ্রোম (য়ুন্নাম হুইদ্রোম)।

২। কুমারি প্রামোদিনি দেবী (অহল্লুপ)।

নম্ফমঃ— ১। রেগ্যেল প্রেস লুরাংশংবম।

২। বোড়দা প্রেস পাওনা বজার ইম্ফাল।

মমলঃ— লুপা [redacted] তনি। ৮/·

ফংফমঃ— ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দোকান, অশ্নিবা

অমদি অফোংবা মশাদৈ॥

লাইরিক মশিংঃ— লিশিং অমা চানী।


LIBRARY

"পৃথ্বীগী লৈকোলদা চংথবা
ঈপু অমদি ঈবোক
৺অঙাহল অমদি ৺চাওবী
লৎনহৈদ্রাবা সনা খুত্তুদা
কচ্চরি নশুগী উপন্যাস
কলি যুগকী সতী খুদোলসে" ।।

রাখলগী মঙালস্থু তাক, থম্মোইগী কলপ্নাই ঈচেলস্থু লেপ্লক্তা শেংদোকপীদ্রবা লেমটলদুই মঙালদা, শিন্নীদ্রবা মচিল পংঙব। কমলমনা খোচ্চবা, লাইকোলদা পোকউবনা ফোংদোকচবৈ আশাদি শামথি, ইদোম থম্মোইনুংদা কপচবা কনানা থাজবীগদগে ? অথীবা ফজবনা তোপতোপ্লনি। চানীংগাই চেঙ লৈতবা য়াই, ইননা চে মুক বাংপা চরা হেনবদৈ হেন্না ব্রাজৈ। থম্মোইনা অতুপকা মতিক পামজকবৈ রাদনি।

উপন্যাস অসে কলপনাই ঈচৈলগী তুংযিন্না ইজখিবনি' কনাগুম্বা অমৈ থোঁদোক্তা ইজবা নচচদে। চান্নকুবা যাওবিবস অযিবৈ বাখলগা মানকুবনি খন্দোকপিয়ু। " কলি যুগকী সতী ' ইকোন কোন্না থোঞ্জবনি । অনৌবা ঈচলগা চপ মান্নে। মাশিবু পুণ্যক্কবা হোৎনবদা শকুব লৌবিখিবা পে্স অনীমক, মনিপুর ষ্টেট কালা একাদম। লপা ৭০০ ত্তে বাংলীবকপা, অমনি মাঙখা গাঙবাবকপা মহেন্দ্র মৈতৈ, কনাগুম্বী চন্নুবা ওনীথকী লমনস্থু তোনশঞ্জবে। বনানগী মতাংদস্থু অশোযবা থবা যওখবে, মথংগী খুৎনমদা শোয়দনা চুমথাংকচবকে রাবৌবিন্নুকো।

" অশোয অঙাম ঐকৈনী "

শ্রীবাবু ইবোংবা কোম্বা অহল্লুপ]

"ময়ামগী মফমদা খংহন্নবা"

শ্রীইরেংবা য়াম্না নহা ওইরিবা, লাংবা শকপা, ফাগী জোগাই, লিলা ইবা, ঈশৈ ইবা, পে কন্দা শরাগ য়াওকবা মীশক্তি ক্লাস নাইন, টেন্দা "ঈমুং মনুং" "লৈজনিংদে ইম্ফালদকা" হায়বা লিলামচা অনীশি মশাক্না ইদুনা তম্বীদুনা মশামক কুমহুনা মানা তমলকপা ইবেমচা হায়স্কুলদা পুথোকখি। অসিদসু নত্তুনা শৈরেং রারেং মোনোলোক ফেনসি দ্রেস কয়াদা শকপ য়াবতা নত্তুনা অয়িবা ঈশৈ কয়াসু মীউজিক সেকেটরীনা সুব পান্দুদা শৈহো ঈশৈ ওইনা শকখি। হায়স্কুলদা মেগাজিন, ডীবেট সেকেটরিসু ওইখি। ছাত্রতগী ওইবা দ্রামাদা ১। মোনো (মৈতৈ খুঙ্গং) ২ রসিদলাল কুণ্ড (টিকেন্দ্রজিৎ) ৩ চয়াম পোকপা (চয়াম পোকপা) ৪। টিকেন্দ্রজিৎ (টিকেন্দ্রজিৎ ফাবা) লোইননা যাত্রা (ইমুং মনুং) ফত্তবা পাথং অমা (লৈজনিংদে ইম্ফালদকা) অসুম্না মথং ২ মশাম প্লেসু কুম্মকই ফেনসি দ্রেসতসু "একটিং প্লে" নবিনচন্দ্রনা লাংফে হললকপগী মতাং শিংথানিংঙাই ওই।

উপন্যাস অসি পাবা নুংঙাইবতনা নত্তনা মাংলগদবা সুপী কয়াগী লজিং মৈড়া অমসু ওইরী। মফমসিগী ময়ক নয়িকা অসিগী পুকচেলবুসু তশেংনা থাগৎনিংঙি। নৌরবা মহাক্কী রাখদলগী পুথোক্কে হোৎনবিবা 'চেক্লা অনীসিগুম কায়দোংমীন্নশি' হায়বা উপন্যাস অসিসু তেক্তা কায়দনা পুথোকপা ওইসনু।

১। শ্রীঙাথেম রাবৈচন্দ্র সিংহ
{ইবেমচা হায়স্কুলগী ওঝা অমা}
২। মুতুম মহেন্দ্র মৈতৈ {কায়রবা থম্মোই ইবা}

অইবগী থোর্জেক্তগী মরমদা

শ্রীবাবু ইরেংবগী উপন্যাস "কলি যুগকী সতী" (অনৌবা ঈচল) থুৎই ওইহরিবৈদা মপুং ফানা পারে। শ্রীইরেংবা অঙাং ওইরিবৈদগী হৌনা মৈতৈ সাহিত্যগী লৈকোন্দগী মচাক থীজিলি হুমজিনবদা, নৌনা খোংজরকপা মৈতৈ সহিত্যগী লময়ানবা কোকিল অমনি। কনা থংবীদনা নারক্তা তাহনা পংতুনা মাংল্লদবা মণীমুক্তা কয়া থোমগৎতুনা লাইব্রবা মৈতৈ সহিত্যগী নাচোম অমগী মরক্তা লৈচল অমা ওইহনবদা মতিক চাব্রবনি। শ্রীবাবু ইরেংবগী থোইদোক থেংদোকপা মগুন লৈজে হায়বহু উপন্যাস অসি পাবিরগা থংবিগনী। অনৌ অ'নৌবা ব্রাহৈ ব্রাতানা সহিত্যগী পুকৈদা অনৌবা লৈরাং নাচোম অমা ওইরি হাযবদা হায়মনবা থোকলোই।

সত্যমগীন্নংশি নবগী লম্বীদা খুদোংথিবা কয়া থোকখিবা, অমদি মমা পোক্তবীগী মীরা মীশা করম্না খাংখিবা, বিমোগী অশেংবা থম্মোই, সত্যমগী পুকচেল, অশেংবা মুংশিবা পুম্নমক লাইব্রিকসি পারগা থংবিগনি। অশেংবা অচুম্বগীদমক্তা ঈশ্বরনসু করম্না তেংবাংবিখিবা করিগীদমক মীংথোল অসি থাজনা পীখিবা, পাবিরগা থংবিগনি।

মহাক অসিনা মতুং কয়াদসু অনৌবা লাইরিক ইরক্কুনা অরা পোথানরকখিনি! মহাকপুসু ঈশ্বরনা চানবীসনু !!

ইবোয়াইমা মৈতৈ ঙাংবম
মতাই বস্তী, শ্রীবন চীং মনাক,
ডি, এম, কোলেজ, সাইন্সকী ছাত্র অমা

থাগৎ ৱাহৈ

শ্রীবাবু ইরেংবা ঐনা চহি খরগী মমাংদগী খংজরনি। হাইস্কুল ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা মশাগী শৈরেং, ৱারেং কয়া থিজে পাজে। ঙাইহাক শংবদা মাগী কলম অদু পোৎথাহন্দনা সহিত্যগী ইচেনদা ইথাই পিহনা খোংচিন ইসিনজৈ। মরুপ মপাং কয়ানা মহাকপু মঙাও মংবা মংসৈবাক্তা ঙাওবা হায়না থৌশানদ্রবস্ত ঐহাক্তি থাজৈ মচোন্দা ভোপ তোম্বা প্রতিভা অমা লৈবি হায়বা। মণিদি লমজাওদা থক তারমদে হায়রবগুম নোমজমনগা মহৈ, হোংজান্দগী মংলকপা মমল অদুদা পোকপদগী লোইনরকপা প্রতিভা অতুনা তেংশাংনিহনা "কলি যুগকী সতী" (অনৌবা ঈচল) লৈয়োল চোং-লক্রে। ঐহাকন্ত পারে মনুং খিংনা। লৈচল থুদিং হুববা নাচোম্মক নংদ্রবস্ত পামজবা, য়েংনিংবা, খোইদবা লৈথন থরদি শোইদনা যাগরে কলি যুগকী সতীদা ......। মহাকী ভোপ তোম্বা লোন-দানা মপাং কয়াদা থমোই শোকহল্লি, মতাং কয়াদনা পুক্নি তিংনা নোংশংবা কাওহল্লি ; মহাক্কা অহৈবা চিংশা থরক্ত খুৎই ওংনা পারে। এস সুদ্রবস্ত ঙসিগী সমাজদা পুথোকপদা চোপলোই। নোংমদি কোকিল নহা খোমৌবসিগী খোঙ্গাং সুনবা খোজেন্না মীতৈ লৈকোল নিংশিং। মশাক্কি শৈরেং সকমদা মীওই কয়া পোথানরখিনি। তাংক মপুনা মহাকপু পুংসং কুংশাংহৎসন্ত! কলমগী ইচেন লেপ-তলৈদবা ওইসন্ত !!

ওইরাংবম ইবোহল (ইবেমচা হায়ব্বুগী ওঝা অমা)
গোল্ড মেডালিস্ট (মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমী)

অহানবা অঙ্কা

শ্রীদি মীহাৎপীনি

থুপ্লবা থম্মোইগী থোঙ্গাদস্থু,
অশেংবা আশাগী আসন্দস্থু॥
নুংশিবা নঙ্‌তবু নিংশংজগেকো,
লেপ্লগেনে লোইয়ুম্বা লংনবীন্নুকো॥

... ...!! "যোম্ব ওনাব মহিক মপী অমা হাৎপৈদমক্তা দণ্ডি পিফম থোকপ্রা দণ্ডিগী মহুত্তা মনা মথ‌ুম পীহুনা য়োকখৎপা চুম্বী"। "যোব ওনাব মীহাৎপীবু মনা মথুম ব্রান্দরফুল"। সেসন জর্জদো উকিল অনীগী বা গুম্না তারি। ইন্সপেক্টর, কন্সটেবল, পেস্কার, চপ্রাশি কিলাগুম যেংডি। অসামীগী লেপফমদা বিমোলিনি পূর্নিমাশি লৈ। বাজাধোল থৌরাণীশাবী, গোপাল ইবেয়াইমা অরা মায়থোং ঙাক্নি। লক্ষোনি মেম্মা থাইবেম্মা ফম্লি। কাচিল ওইবপনা পাখং অমা নুংশুক নুংজাননা ফমলি। জর্জনা অসামীদা হনশন্দুনা "অসামী বিমোলিনি নশা কঞ্জনবা বরি ২ হায়নিংডি"? চিংলৈবে মমি তাদনা খুমখি "অশেংবনি হুজুর ঐ ইশমক্তা শান্তিকুমারবু থাংনা থীন্দুনা হাৎপনি কবি মরমগীনো হায বদো নৌহৌননা হায়জকত্রবস্থু লৈবাক শিম্ব থুংনা খংনরবনি রায়েল কাটি পায়রিবিবা তঙঙ্গনা পীবিবা দণ্ডি ইশানা য়ানা লৌজগনি" "নত্তে ২ হুজুব পুন্নমক লল থুম মীহৌবি ঐতৈ খুজিল ঙাক্তনি। লিসনা মখুল চংঙমদায়দদা চুম্মী হায়বগুম ঐগী ইরালদো হুজিক্তা

থংগুরক্লি ঈচাবু থাদোপীযু মীহাৎপাদি ঐনি হুজব"। পূর্নিমশিদো হিক ২ কপচথবে। মকোক তাংঙবা জজ্জ্দো চে চাং থরা যেংঙগা "উকিল অনীগী অষ্টেমেনট উইটনেসকী রা অসামীগী জবান মুন্না তারবা তুংদা ঐনা হুজিক বায় হায়দোল্লগনি"। মংয়াম মীপাইনৈ। জজ্জ্দো চাথোক্কদগুম যেংনৈ। বায় হায়দোরকই "বিনোলিনিদি মীহাৎপী নওে মহিক হাৎপনি মরম অত্থনা মহাক মরাল লৈত্রে মহাক্তি সমাজগী মায়থোংদা হামুক ৱৈশনবা মহিক হাৎপনী মাবু কোটনা থাদোক্লে। মীহাৎপীদি অতৈ পনাস্ত নত্তে পুর্নিমাশিনি মবমঅত্থমা মহাক. ভারত দণ্ডবিধি আইন ধড়া ৩০২ (I. P. C 302 Act) গী মতুং ইন্না থবক কম্না শুবা জেলদা চহি ১০ থম্মু"। জজ্জ থোকখয়ে।

ইন্সপেক্টরগী ওদাবদৈ কন্সটেবলনা পুর্নিমাশিবু হাড-কাডা চল্লি বাজাধোল থৌবাগীশাবী হৌগৎপা ঙমখিদ্রে। গোপাল ইবেয়ামা লুপাই খাউ থুনবগুমথ্রে। হাযবকই বিমোনা "ঈমাতোল নচা লমহেম্নীবু রাবৌবিনুকো ঈমাগী নিংজবদি থুংহতবম্মীদনা পুম্ননক রানকতবি ঐগী ইবাল ঙাক্তনি"।—"ঈমাগী ঈবেম্মা ঈমাগী ঙাকপিফম থেংকত্রবা ইবালসে ঙাকপিযুকো ঈচাই পুন্সিদা ঈমানা কাবৈ লিল ওঈথৱে" পম্থদনা থোকথ্রে। "ঈবুংগী ঈবেম্মা বিমো লিান" কাচিলদে পাম্চুনা বেংবকই। "তাম্মো"! চেশন্দুনা নিংান, পাখতুই মথোং কেংন্দুনা কথুই "ঙসিদৈ তাম্মোই থুংহঞ্জবগেকো পবু সুংশি মশক থংদাবরাও"? —"কবিগী চিংনবি অশেংবা থম্মোইনা শেংনবগতা লোযরে"! হৌগৎপা পিরাং ৱৈথোপী। গোপাল ইবেযাইমদা চপ মান্ননা থুবম্মী পুম্ননক থম্মোইদো, নুংশিবা, কপনিংবা, শাণ্ডনি বা, নোক্লিংবা, অৱাবা, হরাওবা, ঙকপা, পেনবা. নীঙমদবা, থুক্ লাওবনা পীক পাথ্রে।

অহানবা শরুক

অঙাংপদা হৌখিং থাজনবা

ফবু ফজববদি নুংশিববনি।
নুংশিববদি থম্মোইদৈ হৌরকপনি॥
নুংশিবা হায়সিন্থ নুংশিদবকো,
তৌগাবক খুদিং পকচৈদকো॥

ঙসাইদৈ সতাম অমদি কান্নদো সাইকেলদৈ কুমথদ্রি মতমসিদা নঙহৌবোইদবগুম লাকখি মতমগী লৈরং অনীথক অমা থৌ অমনা লোং। কান্নদো থম্মোই মক লামজখি। মদোম খনজখি, "থল ১ খুদিগী মীপুম খুদিংমক লাকলবসিদা মস্থ লাকনা তোক্কদ্রা। ঐনা মার টিংবগুম মানস্থ ঈর কবিগী টৈননি লোই"; অমক যেংথাকউবদা মহাক দো [illegible] মঙশলখি। মতমগী খোইমু অমগবস্থ লৈবাং নাক্তা ঙংলকলি! থংখি খোইমুদা শাশিকুমাবনি। থংনিখি কবম্বা লৈবাংনো খোইমু মানা মীতাবা লৈবাং অনা শাংলি খোইমু অমা ঙংলি। থম্মোই মদোম ফাজলখি পলেম পম্বৌগী নিঙোলদি অঙৌবা চেবাংগী মশক্কি। মথল মথেলগী লৈকোলগী লৈবাংশিংনা লমদমগী খোইমু

পাইরকপদা পাইরকন্নু হায়বা য়াবরা? ইবুধোগী থুডম য়ৌরবদা লৈরাং অনীদো লোইবী চিংহু কাখি। লেপত্নুনা য়েংহৌই থম্মোই ওহুমক।

চৈরাওবা মতুংগী নোংমাইজিং অহুমশকসিদি তশেং-নমক শাবী শানৌশিংগী কুম্মে ওইখ্রে। অপাম্বা লৈরাংদা খোইগনা ওংজে। রাঙাং হৈম্নবা গোইমু বয়াই রাঙাংদা পুক্লিং পেম্না নোকচৈ। মঙাও থিবা পাগং খরনা লৈশাবী খরদা লররবি। "ইবেম্মখোয় করি করি বর নিরদপগে? অমনা অমক, এনা হায়জবদি মতমগী প্রভু মশক মতো ফজবা চাবা থকপা রাংতবা এওম্বা বর নীজরকত্রা? অরেম্বা শাজবী অমত্তা পাওথুম পীবাদে। মঙাওথিবা কনানা, ভাই ওনি এডো ন্দা পীরকপা বরহদি তোবের্বাংনুক চাওই পুশা রারেদা। এগীদি কন্যা ফজবা অম পীরকই। অমনা "এগীদি খরচা পুশা রাংতবা কৈশাম চন্দ্রাবলিগী মতৈ ওইবা।" অঙকপা কুম্মেনি। য়েংবনু হৈরংদি কুম্মগী কুম্ম ওাক্তনি।

মগম অশাবা খ কপা পাথং অমম্নু মবাইবক্ত শিন্দুর পাক্না নমহুন লাকচৈ. মাবু খবা লৈশাগী অমনা লরুকবি। 'আই! মদল নডদি মহাদেব মাল্লেদা।' 'অহুদি মেমগা নওম্নু দুর্গা মাল্লিবো।' নুপিদো ইকাইহুনা লুকথখ্রে। যুগসিদি রাঙাং হৈবনা অদম্বা শক্লে। হনুনী মখুং কোল্লবী খরম্নু ইবুধোগী দর্শন ফং-লুবৈ চৈশু অমমমগা পাকথ পাকথ রানা লাকচৈ। মঙাওথিবা গৌরনা চশন্দুনা হংলুই, "ঈবোকখোয়বো করি করি তাহৌবা

যথেংবাগা নুয়াম চংদুনা পাকথা পাকথা থাবিরিবসিবো? মথা য়াওদ্রবা হনুবী অমনা য়বি উৎতুনা নোকতুনা করিস্থ তাহৌদেনে নিদা চেন্দ্রালসিদি, ঈবোবখোংগী খাংসে বোন্দুনা তৌবনিনে।" মাবু মশক থংবা হন্নবী অমনা "নত্তে ইবুংঙো নঙবু মমাং লৈকাযগী বোনসম থম্বৌনা পোকপ্রনে" নহেৎনা ঈন্দোল থম্বৌনা পোকপা নত্তে থমহেৎননি।

মেত্রিক পাশিবা মেত্রিক সেকেন্দ ইয়ার খন্না রাবি শাগুনা লাকই। মকপ ঐদি হংলক্না পরিক্ষাহৌদি পান ফাংবদি তৌংনম্রা নংই। অমনা—হেবা কবিগী তৌদানেগে নোং-ও বং-ও অদুক যাম্না হোৎনবিহৌদি। গুলাপনা—ঐদি থার্দমক নাবস্ত থাই ডিভিজনদগীদি লাক্রা খল্লি। ইতম তপা চাওং-লিংথেংনা ঐশাংদা পানবা তৌবগ্রবদি লোগ মথবা য়ারে। পুন্নমক মাংগী দশন যংনবৈ লৈলেং ঙাত্তনি।

কৃষ্ণ বুং উমজববা সমবদো থুইববনি মধুবালাবু ইন্নজবা মধুবালাদু শাওবনা লেংবে। ইথাই থংদে সমশদো থৌনা পোক্লবই মনি পোকই হায়দুনা তৌজশদ্রিনো? ঙাওশ-নংস্ত নিং যাদ হায়দুনবদা সুখেনা নংনা হেক নুংদনা সমবদো মমাগ ইচেলক লাকই। ইকাইনা নাগী মকম-দদি পায়রক, মৌশিং লেশেমনক শাওবনাদা। ইংপ তপনা মোং হদনা নোংলুই। শাওনা মধুবালানা—লোংথোও য়াদৈ হেন্না উদেনে। ইংবদ লেপতে। তপনা হায়কই—'খোইমুরুদি মুররাও।' নোকচবা পাম্বা য়াইহ্বী; চন্দ্রাবলি পুংবং তৎথে

নোকখরে। কুচ মুরিবসি কৈদৌবৈনো খংবরাও তম্ফা ! — সমরনা হংজুবি। তমফানা—কনা খংনেগেনে ঈশ্বরনা শেম্বীবরো। ঐদি খঙিনে। অতুদি বৈদৌবৈনো? অচুবুবো ! উম "চৌদা তৌরিনি। লৈশাবী পুম্বা রা লাওনা নোকই। নোত্তনা সমবনা-•াও ডৌরমলবদি নুবমলোইদবনি।

অংনা ভাংই অমনা তাদে। পুমলাং লাংই। হসিদি লম্বাসে মীগী সমম্রা ওইখবে। অঙা হহল খাযদে। মাগী ২ লৈজবা শেৎ চাদুনা থোক্করক্লি। হমাঙ্খ। বেসপা, সাইকেল হৱাগার্ডা খোং। মনিপুবগী হৱাও কুম্মে মশিং থাবা ভমদে। হবাও বুটয় কোটি কুম্থাহুমদোই কাপি।টৈব ভোংচৈদা হাপতুনা নৈমম তচুম্বা অমা থম্লগা তুৎ লাওনা চিংখনা চাকথেককহন্দবা যাদ্রে। তাঙ্গোইদৈ মৈথু ওন্দনা রা লাওনা বামথোকপা।

হল্লনা মুংশি চিনোরগ্রবা লৈবাং যেইম্ কবিগী মাওনখিগদগে? অমনা অমবু যেনবা ভাকপনি। লৈ। অংদো কুমথবকখি। সোইদৈ সওম অমাগ বাদনা চাযহৰ্বাবনী। শাশিকু। গুনি। রাঠৌকবি সতমনা "বারি বরি বব নাজবকপগে থাবেম্না।"

নোকুনা থাইবেম্মানা—"নীংজবা খুংজগে শি চাইদনা" ভাক বাস্তানা হলম্মী 'বিমোলিনি নঙদি কবি কবি বব নীজরক' বিমোলিনিনা নোকুনা, 'মীগী অনীংববু খংহনবা যাব্রনে?' 'খংনীংবা থম্মোইনদি খনীংলি কমদৌশিগে?' 'থাইবেম্মানা নীংকপহুগা চপ মান্নে।' 'নথোযনী তৌনরা জাৎ ওইরে'।

থম্মোই মবীমক নোকমীন্নে ! ঙসাইদি খোইমু অনী লৈরাং অনী চংমীননবম্বনী অত্তবু হুজিক্কি খোইমু অমা লৈরাং অমা, খোইমু অমা লৈরাং অমা, চংমীননখরে। ঙসাইদৈ ঙংজরকপা খোইমু-দো, মখুংনা পায়রম্বা মণীবূ, মীখুংনা মুনখরবদা, পামজবা লৈরাং-নসু অতোপ্পদা মাযওনখ্রবদা খোইমু অমনা খনগদবা রাখলহু খনখি। থম্মোইদা খুতুম শুজখি। মতোমতা ইকাইজরে। 'নঙ্কো' হায়বা রাখল অমগা মীযেংগী রাংমা লানদ্রিফাওবা যেংতুনা লৈখ। ইশাইমক্কা খনজরম্বা শিঁঙেল তনৌবীহবু মীগী মখুংনা মুনখরবদা করম্বা কনাই থম্মোইনা হুডাইগদগেনে ?

থম্মোই থম্মোই শিননখরবা লৈরাং খোইমুদো নুংশি চিলোক্লে। 'উনা উনা খংনা খংনা পূননিসিবু বয়াম কুইনা লেনখিগদ-গেনে থাইবেম্মা' ? 'ঙাইঙমদবসু তৌবীন্তু লেপ্তবা খোংথাংনা থাংলক্লীবাসিদা পন্থু যৌদবা ঢৌনব্রা' ? 'তিঙ্খং নুংখৈসু লৈরম-ক্লোই নীবরাও ? তিঙ্খং যুববদি পন্থুংদি ...... ? তাম্মো হুমিং থা হুইনা চারোইয়ে।' 'হুমিং থাবু'দ কৈশু চাবোইয়ে নঙ্ এনে হুইনা চাখিগদৌবাদি'। অচুম্বা রাইছুদা কান্তা যদি থাইবেম্মাদো মোমোন নোকমীন ন। 'চাইংখো ঙসাই শাশিকুমারনা ইন্নবকপহু কনাদনে' ? 'বিগোলিনিদনি বাদি য়াদিদবা। চিঠি অমসু নমহুনা পীশললম্মী ! ওহোদন' মমায় পানংদ্রে'।

"ঐদি নঙ্ঙোন্দা ওইরবোই নীঙ্গব।" "ও ! ইনুংঙো নঙ্দনে নুপী মবোল. নইনা থম্বা'। নোকমীনখ্ন। অরা নুঙাই কাওথোকনৈ। অহল্ ওইরবী কযাসু শাবী-শানৌগী কুম্মেশি

উবদা যৌবনগী মতমদা হুনখিবা ইচুনদা [illegible] নত্তে। রাখলনা বসন্তা ফনা ওইজববস্তু হকচাংনা থা[illegible] [illegible]গাব শাববদা রাখলগী মথা পোনবা ঙমহিগদ্রে? নি[illegible] [illegible] [illegible]গা ফজবী শকপী। মুপী যাম্না কেইগা [illegible] [illegible] নিগী তাইবং অঙকপনী।

যোংদি ফোদারদনা [illegible]গী তেননা কা[illegible]বা, [illegible] মশেল ম'বাল লোননবা কুহ্ববানি। অদোম্না নিহে [illegible]গ ঐনা ঐগী পুন্সিগী থোংলোই শুইজগে থ[illegible] [illegible] [illegible]ই-কেল্লথক্তা হাপতুনা তেল্লবা পর্দে মগা অমত [illegible]গা [illegible]ইবা কনানা হেনগদগে?

মেট্রিক পরিক্ষা হেক লৌখিবদে উ [illegible]নি। অহুনু [illegible]দি উন্নবদা নওনা — —। [illegible]ক থাদাচাবা [illegible] হযেল [illegible]। অপাংপদা হু[illegible]ং থাজনবত্তম থোকখবে। বা[illegible] [illegible]— 'বিমোলিনি পরিক্ষা পাস তৌবকদ্রাও।' 'পরিক্ষাবু পাস [illegible], নাইংদবা কনা যাওবাগনে।' 'পরিক্ষা মহার্নী হায়রগা [illegible] [illegible]বু ওন্নোক কা[illegible]।' 'ইনাক্তা থানেল তোং গা ঐনা [illegible] [illegible] [illegible]দাই না?' ভুসিত্ত নখাগ অদু। থাবল্ল লৈরবা[illegible]।' 'চম।' কৈগীনা অস্তক থেথনা [illegible]দা।' মনিপুরগী [illegible] থাবল অঙকপনী। চৈরাওবা [illegible] [illegible] [illegible]। মতম [illegible] মতংদদি শেলবু পায়বদি চোংনিংবা মতমদা চোংবা ঙমবৈ শক্তি লৈরকখিনী।

—'ত্যবেনদি থাবল চোংবা খিংতা যাওজগে য়াবোইদ্রাও।' 'থাবল চোংবব য়াওবা য়াদে হায়বা লৈববনে। অপাম অপাম্বা পায়থনা চোংমনৌ কৈদৌবগে'। "হোযদা নঙগীদি শাশিকুমা' লৈবনহুদি মাদি ইনাকন্থ খুল্লি।" 'অতৈ হায়গেদি হাযযু মাগী রাদো পল্লককন্থ, কৈনৌনো খংদে ঐগী থম্মোইবু পুবীবা লাইশিনা মাসে ওম্থোক্লা তুককচখবে।' বিমোলিনিদো তশেংনা শাওবকলে সত্যমনা অদো খিংগা য়াওজগে য়াবোইদ্রাও? ঐগুান্দরাও।' 'উম' বিমোলিনিদো খুমলকতে। অদুবু থম্মোইনুংদদি "যানি" হায়না খুমদ্ববা।

চিনবানথোংদা কাংশোকচবা ওমজদৈ রাদনি। পোকলন্থ নুপীগী মপোক্লা ফো দোকচবা ওমজদ্রবন্থ নিপাগুম্না নওবু নুংশিজৈ পামজৈ হায়না, নুংশিজবা ওথী ইতোমতা। কবমনা রা হীকনি থুংশি হায়না অমস্থ মবুং মৌপাদৌনা তিন্নকুবগা নুংশি শেংদাকপা তবাইবা নংতে। তাংক নাইদনা চেনথবীবা থম্মোই অনীদো পুন্সিগী মমল কাপাবে মতমদি লেগা লৈতে। খো চংন্থ লেপ্পা লৈতে। রাবা কান্দা রারীনি লেপচবা।

অনীশুবা শরুক

প্রেম ভিক্ষা

পামজবা লৈরাং থীজবনা
খোইমু ঙীগী ইথোনি ॥
মুংশিবা খোইমু ভায়জবন
লৈরাং নথোদাং ওইরগনি ।

হুরেন থাবলদদি হেক্তা ফোংদোক্লগে খন্দুনা থাবল ভাইজরম্বা সত্যমদো থাবল য়াওবা ভমবদি হাযরুম্ন মতোমতা ফাওবা লেপচবা ভমখিদরে । বিমোলিনি উন্ননী হরাওজরমবদো বিমোলিনি উন্নদনবা লোৎখরে । হুরান মীংয়েং নত্তনা কৈস্থ উপায় লৈখিদরে । ভসিদি থাবলসে মফম অতৈদা চোংনদরমান্নে মী ওস্তোক্না য়ামথরেদা । থাবল চোংবা শাবী-শানৌগীদমকতদি খুংনা স্বর্গ লাম্বা ফংবদৈ হেন্না মুংভাইজবনি । মচাগী সবান অমদি মচাবু পায়জবা মীওইশিংদো মমীৎ কুপ্তনা মমাওইবীশিংনা য়েংজৈ।

কান্তদি থাইবেম্মা হেক য়াওরকপদা থোক চোংশনহুনা য়াওখরে। চাননবী মহাক্কী মনাক্তা লেপতুনা মুংশি ৱারি শাবদা সংসারসে কনামংতা উখিদরে। বিমোলিনিগী মপা হেক য়োংরকপদা মশাদো কৈনোমা হেক্তা তৌরকই । বিমোলিনিস্থ কৌবদি কৌশল্লক্কে । অদুবু থম্মোইনুংদদি খোঞ্জেল হৌনা কৌশনঞ্জরি । কান্তা অমদি থাইবেম্মাগী মতৌত্থ উরবা সত্যমদো

মতোমতা খনদ্রে—"কয়াদা খুড়াইরমগবা মথোয়নীগী পুলিসে"।

—হেরা নিপানবু হন্দমুক্তি হেক্তা য়াওরগে ইকায়বনা শিৰা য়াত্রা ? বিমোলিনিগী মপা য়োম্নকপা ডাইথরে। কপ্লক্লা কপ্লাক নীকলকইবা মীহুননা মীহুন চোংলকইবা য়াংবা ঙম্নদি হায়রুল্লু মায যাংবা হঙ্গংনা পাংজবা ঙমশল্লকত্রে। কাল্লদো ৱারমানে থাবলদৈ থোবক্রে। থরাইগী থরাই নাক্তা খুশি খুজেং পালো-যননা চোংববু রাবা লৈত্রা ? সত্যমদো মঙোনদৈ হেন্দোকতুনা চংখববা বিমোলিনিদো মীৎকুপতনা য়েংহৌই। থম্মোইদি মথুম মরাং হৌই।

—"সত্যমকুমার" ! কানতনা মবেংবান্দা বোব লাওনা খুবকই। থংপ্রেক থংডি সত্যমদো। 'হাও'। 'কৈদৌরে থাবল চোংবা বাক্তগ্রবদী ? 'কৈস্থু তৌদে'। 'হাওবা ঙমদবৈ রারাও'। 'উম'। 'ক'বগীনো ঙসাইমখৈদি থোনা যাম্না ফবমবদাযনে'। 'খংদে মাগী মপা য়োববপদা হক্চাংসে কৈনোমা হেক্তা তেৱ-কই'। 'মানদি কৌশল্লকত্রা'? 'কৌশল্লক্কে'। য়েংবদি হুবান্দুনা য়েংলকই। 'ঙসাই নুথিলদা চান্স অত্তুক য়াম্না যংবংদা রা মচেং অংত্তা ডানহৌদ্রা'। 'হুরেন থাবলদ' রা অমা হায়গে থবল চোংবা য়াওরক্কেগা হায়খিবনি। 'নত্তে নংগু যাওা ঙমখিগদ্রাও'। ঙমগনিবু থাজদ্রেবো'। 'হেরা নিপা ওইনা পোক্লগা অত্তুক ইবাইথিগনবা হৌনদদা'। সত্যমগী থম্মোইবু থোনা হাপকৎপী। অমুকস্থু ডাংশনবীরকই—'মঙোন্দবু কৈদৌনা ইকাইরিবনো ? চৎনবিনি নিপানবু হেন্না'। কানতদো হয়েং

শাওশন্নবা ঙাংলকই । —'অতৈ ততোপ্পদা ওইরবদি কোক হেক্তা ঙমগদবনি । লুনা ইমান্নবগুম তিন্নখিবত্নদা X × X । —'ঙসিদৈ হেন্না মতম লৈত্রবনি ! নহান্নমখে অস্নুক কুইবসে ফোংদোক্তনা লৈরকলিবা নঙনবু হেন্না ঙকথ্রেনে । নঙনা ঙমন্দ- রোই হায়রগা ঐ ফোংদোকপীরোরাও' । 'য়ানিদা হন্দমুক্তি হেক্তমক য়াওরগে হায়বমা পুক্কিংদা চপ য়ুংনা লেপথ্রে । 'য়াও- রোকো ।" কানতদো থাদোকপা ঙমজদ্রবী থম্মোইগী থাইবেম্মবু থাদোকাখিদ্রে ।

থৌনা অমগা লোইননা সত্যমদো বিমোলিনিগী মপা ঙাইখরে । মীত্তুন অমদি কপন্নাক অহুদি মনাক খিত্তুং নকশী- ন্নুব্বদি শোয়দনা তাগনি । 'অস্নুয়া তৌবোইকো ন্নুংশিনবা হৌ- দোকপসে' । মত্তোমতা খঞ্জে । ঙসাইদৈ চোংলকপৈ ব্রারমানে বিমো- লিনিদো থাবলদৈ তোকহৌরে । —"অপ ! পাগল ময়েং তাখিহ্না তোকঅরনি" । সত্যমদো বিমোলিনি য়াওরকপা ঙাইখরে । বিমো- লিনিগী থম্মোইদস্নু - 'নিপা ঙৈনা পোকলগা কৈগীনো অস্নুক ইকাইখীগনলিবনিবো । হন্দমুক্তি কৌশন্দুনা হেক্তা চো মিয়রগে খনংবে । ন্নুপি ওইখিবনা ফোংদোকচবা ঙমন্দদবৈ ব্রাদনি থম্মোই- ন্নুংদদি ন্নুংশিবা ঙাই । থম্মোক্লা তোল্লিদকো ন্নুপিগী মপোক । লৈরাং মানস্নু পামজবা খোইমু মাবু করিগী তোংহন্নিংঙোইদগে ? খোইমুদনা শাখপ তোইনা থপতুনা লৈরাং শাৎফম থিবনি । লৈরাংনদি করম্না থিরুনী । খোইমুই মাইকৈ য়েংজবা নত্তনা । তম্ফম খংদবা ন্নুঙাইবৈ ঈচেল অমা অনীমকী থম্মোইদা চেনথ-

বক্লে। সত্যমগী মওংদু উবগা য়াওবা ওমদ্রে হ'য়বসে বিমোলিনি চং চ'না খখি। হেক্তা কৌশলনলগে খন্দুন যাওব্রক্লে। সত্যমগী মীৎতি বিমোলিনিদনি বিমোলিনিগীস্থু সত্যমদনি। সত্যমদো মশা চেঙ নৈবদে হেন্না নীকখবে। লেপ্না চংশল্লকপনা বিমোলিনিদো সত্যমগী মপা যৌবক্লে। ইকাই ইকি ছন্দোকতুনা শেম শাজুনা লৈবিদুনা বিমোলিনিনা—'থাবল চোংসি লাও-ও'। ইকজনিংবগা থোঙ্গা তেকপগ চপ মাগ্নে হায়হুনি। ওসাইমখৈ লৈরকপসে কৌশলকপা ওাইবগুম থোকখ্রে। —'হোয' হায়হনা নোংশন্দুনা যাওখ্রে। শাবী শানৌ অনাগী থম্মোইদা মুওাইবৈ ওমখ্ৰ লৈত্রে। শক শক যেনবা ফাওবা ইক ইনব। 'মুংশিনবা অহানব'স অস্থুন্না ভৌবোইকো।' অনীমক্তা রাহংনি। বিমোলিনিদো ওসাইমখৈ রাবম্বদো হুক্তিক্তি চহি কয়া চোংলবস্থু রাবোইদবগুম খনখ্রে। শিন্থৈগে তাবক্লমলবা হুম'ংদো খংহন হনজনখি।

—'বিমোলিনি'। মীহুন তিং তিং চোংহুনা কৌকই। তবাববী চিন্নান্না 'হম'। 'ওসিদি রা অমত্তা হায়গেন'। 'করি রনো?' ওন্নোকপা হায়হুনি। বিমোলিনিগী রহৈসিফাওবা মপুং ফানা ওাংজজ্রিডৈদা হাপ থাদোখ্রে। মুংশিনবৈ মংলান্দা শাবী শানৌ অনীমক মুংশি খুজেং পান্নোইনগে থৌবাংলিডৈদা মংলান কায়বগুমখ্রে। পায়নরম্বদো থাদোকনিংদা ২ থাদোরুখবে। সত্যমগী অরা মুওাইদি মাওন্না মীওনা খংলমগনি।

থম্মোই অনীমক চপ মাগ্নে। হাপ মতুংদদি হুবেন

হেক লোয়ব্রিফাওবা চোংম্রিকগে খনখবে। —'ইকাইখিগা শক-খিবদো হুন্দমুক্তি য়াওরখিগদ্রা?' থম্মোয়দা ওইনজৈ ইকুই কুইদনা খোলগী পুংলোন তাখি। থাবল চোংবা হৌখি। শাবী শানৌগী নীংবা থুংহনলকখি।

অনীমক অমনা অমৈ মপা ঙাইংখে। সত্তামনা ফিভম শেমলিঙৈদা কদোমদৈনো থংহৌদ শাশিকুমারদো নেশা হায়কেৎ পাল্লবৈ মওংদা বিমোলিনিগী ভুংদা যাওখবে। মখোয় নিগী মতৌদো তঙক তঙক যেংজহৌবা নত্তনা কৈস্ত গতি লৈখিদ্রে। পুং কয়া চোংলবস্তু রাবোইদবগুম নীংজস্বী সত্তাক্তো পামজদবা মাগী মনাক্তা লেপলুবদা রাবনা খোংথাংবা খোকখিদ্রে। হংলুরি তনৌরবী বিমোলিনিগী খুংচাশিংদো কন্না পাযশল্লত্ননা—'বিমোলিনি ঐগী চিঠীতুগী পাওখুম পীবিবরোইদ্রাও?' যুগী মন-মদো হৈনদবনস্ত লোয়রে। রা ঙাংনবস্তু পামখিদ্রে। হান্নদৈ শেম শাহনা লৈবকপনা খুদক্তা লৌখোকত্তনা পীংরে। শাশিকু-মারস্তু যুগী নেশানা হেনখিত্ননা অনদি পাওখমত্ ফ বত্নদা অদুম তোকখরে। অনীমক্ত নুঙাইজবা হ য়বদো যোবে। অতুক হারা পাবী নত্তে মহাকত্ত। ইকাইখংদবা মহাক্তা চিঠীদো লৌহৈদ্রবদি মহাক্তা ওংলিগদৌরদো হান্ননা উববনি। নো জুথা চংলব্রবদি নোংস্তু অতুম মচুজৈ। কালেন্থা লাল্লবদি তয়িংবস্তু ইকাইজত্ননা মদোম মচৎখি। সত্যমদো ইকাইবা পোকখিদ্রে।

—'কৈদোরে ঙসাইমখৈ য়াওদ্রিবো?' —'শাশিকুমার য়াওরম্নদা × ×।' —'মা য়াওরবদি! কৈদোংগে নঙস্তু মী নত্রাও।'

ফগী ওইনা সত্যমনা 'লৈবাং অমদা খোইমু অনী, মুঙাইবা হৌনদেদা।' বিমোলিনিদো নোঙ্গক্লে,—'অদুদা তায়য়ে'। ঈপোম্ গৌনা চেন্থবিবা অনীমক্কী ঈচেলদো ইভা ইভেলগী ঈচেলগুমথরে। কৈগীনো খংদে অনীমক্কী মীহুনদো লেপপুতদি ময়াখিদ্রে। ব্রাহৌকই সত্যমনা 'ঙাসিদি ব্রা অমত্তা হায়গেনা বিমোলিনি'। 'অমত্তা নংত্রবসু চাম্মবক হায়যু কৈদৌগে?' 'হুবেন ঈশিংদা লৈতুম থাদবগুম থোক্লবদি?' 'কোঙ্গেলদসু কাবক্কনিদনা।' 'য়াবু য়াবিগদ্রনে?' চাদনা ঐবু মহাও কবয়া খংসিগে।' 'ঐনা হায়গদৌবিবসি শি ওইবমনী হাযবা চিংনবদি অমত্তা লৈত্রা?' করিগী লৈতদগে। অহুবু থুমদোকপদি তৌহৈদমানে। শেমহুনা থুমখি, 'লৈতে!' 'অহুদি অবেম্বা তাব্রদমানেবো' 'কৈদৌনা তাদৌরিবা ঙমনি ঙম্মোই হায়বমদি ঐসু থুমগনিদনা।' লৈরাংনা খুৎলাম তোযনা কৌশল্লবদা করিগীসু কিফম থোকপগে।

—'ঐদি নঙবু পোকমিন্নবা ঈচল অমা ওইনা থনদোকপা ঙমলোই। তশেংনমক শাবী অমনা শানৌ অমদা ন্নংশিবগুম মু শি। ঐবু য়াম্না ব্রায়ৌবত্রা? সত্যমদো বিমোদো অরা মুঙাই কাওথরে। বিমোলিনি পাওথুম পীবা ঙমখিদ্রে। শাবিতৈদা যৈহৌদ্রবদি খন্দুনা তনহাই হায়জিল্লম্মী। 'নোংমা ব্রাসতা নওগী খতা হোয়দা ইশনখিল্লা ঐনসু নওবু ঐগী হেক পোকমিন্নবী ঈচল অমগুম নুংশি, অমদি তোংন-িঃকবনা মরম ওইহনা ঙাসিফাওবদা নুংশি হাযনা ফোংদাকচবা ঙমজদ্রি ঙাসিদি চেকলমগী মতেং লৌজহুনা ব্রাহৈ মঙা তরাদং ইজহুনা পুজরকই

মসিদং লৌশনবিহৌবদা য়াম্না ক'য়ংগদ্রা ?' বিমোলিনিদো উঁদ তাবদৈ হেন্না পংথখবে। লোম্হোকতবা মীশককুমখবে। থম্মে ইদদি নোকচরি, হরাওজরি, হাজরি হুংশিজবি। খুমবু খুমদ্রবদি য়ারবনি হায়বা রা অমা লৈ। য়ানিংবা য়ানিংদবা অতুমক ইহো হোনা উরবনিদা। তাঞ্জাসি মাংহন্না চুমদে খন্দুনা প্রেম প্রত্রহ লৌথোকতুনা খুবাম অনীগী মবক্তা থমখবে। তকলুবি —'সে লৌশল্লো।' —'ঐদি ঙমলোইকো।' হেইনজবা শাগুশ-ন্নবতনা হুপি ওহবৈ লৈতেনি। থম্মোইগী ইথিল অমগ লো-ইননা তনৌববী খুৎচাদো চেজেং প্ায়'শন্নি। —'এবু অমুক ইকাইবা পীবন্নুকো বিমোলিনি।' —ঐদি মগী মফমদা যেংপা ঙমজয়োইকো।' পামজবা লৈবাং ম'নম্ব পোইন মাংকৈ হ'গ্ননা য়েংলমলে। তনৌবী খুৎচাদো চেজেং পাযরহুনা, —"ঙ'স হুবানি শুবা নুমিতা নুংদাংবাই চাক্কো।" সনাসদো পোকহৌব। সত্যমনস্থু শাশিকুমাবনস্থু বিমেলিনিগী খুৎচাদো পাযবিরম্মী। অস! অহানবৈদি বজুদৈ হেন্না কল্লি। অংকোংবৈদি ম'খনমুক থোংলি। চপ হেক মান্নবা পোংশক্তো।

অহুমশুবা শরুক

অরেপ্পা মচু শংলশি

মীৎ তাংজি লুংশিনবদি
লুনিস্থ হাযনৈ লুংশিনবদি ॥
থাচেংনা থাবুম ফাম্ববদি পুর্নিমানি,,
পন্নিনা পুন্নিদা শংলবস্থ পর্নিমানি ॥

হঙ্গাম মংগাল শাংপা বাল, কুরাক মানা অপাম্বা পান্দো' হন্দুনা হঙ্গাম চংগান্নবা ভুংজবা খুনিংগী মাযংন্দুনা বদা খবাক কনায হৌখোইনা হুদইদগা যাত্ত হৈববা ব্বাক নিংলী নংম লৌইনা মশা মাবেং কিবংপা তেপ পশ্ন কনিব খুদম ন

তশেংনা থনায তনা লৌকুবদি নত্তে কহিংম্বা হনদ লৈদবা যাংদনা গোপান্দনা বামোল নিংচান পনিমাশিবু . া লৈনা ২ লৌখি। যাম্ন' তৈঙ্গী ন্নপিনি। খংনদনা চংখিবস্থ নাদ। মচা লশবি ফাংফাও চাওশনৈ হাযনা মতোমতা শাও-জন্নুনা ইবেযাইমস্থু মতোমতা চংচখিবনি। তশেংনাক বিমোলিনি মমাতোন্না যোকপা হাযত ওইবে। মমাতোলনস্থ ব্বা কননা ভাংবা ভাদে। মচানস্থনি। অমনা অমবু কিনৈ।

শাশিদো পুর্নিমাশিখোয়গী মপাম মযাদৈ - নাক

খুনবা ইমুংগী মচানি। পুর্নিমাশিনা শাশিকুমারদা থাজনিংঙুনা মন্নুংদা রা লোয়নৈ মচা তাহনদনা। নোংমতা কাংদে বিমোলি-নিখোয়দা লাকপা বিমোলিনিস্থু চিংনরক্লে। মমা অপোকপিগী মনা-ক্তা চৎশিরা নিংলবনি। মপাবু কিদুনা চৎপদি ভমদে।

—'ঈমানদি নঙোন্দা থাজনিংঙিদো ইবুংঙো। এৌনা ফনা থেমতুনস্থু মাগী রাখলসে ওল্লু হাযবা হাগনি থাজদ্রে। অতুননে ইবুংঙো মাগী হুন্দক্কী পরিক্ষাসিদদি থাহনখো য়'ংশং মতুংদা ওইরমানে।' —'শেলনা নুংশিবা লৈবা তাদেদনা।' শাশিদো মমায় হায়ফেৎ মকশল্লি। কুইরবনি থম্মোই অনী রা তান্নবা গোপালদি কোয়না চৎপনিনা খংদে। বিমোলিনিদি অতুমক খংঙি। ফনা য়ামলে নুংশি রানোমশেল। বিমোলিনিস্থু মাবু নুংশিবা মীওই খংদৈ তারক্লে।

লৈবাং খোইমু অনীদো নুমিং খুদিং চিলোংকনৈ। নুংশি চিঠি মগুন য়াওরকতবে। ঙাংননিঙাই রারি লৈরক্তবে। শক্তম য়েংনবা পম্থুং ঙংয়বা নত্তনা। কোল্লেজ কাবৈ মীংথো-ক্লদা নুংশিবা তুম্বা চৎলুরে। তশেংনমক শাবী শানৌগী মফ-মদদি কোল্লেজ কাবা অসি মমা মপানা হাড় হাপ্পীবনি। লৈরাং মানা শাৎলিঙৈ লৈনমনস্থু খোইমু খুদিং য়েল্লিঙৈ পামজবা খো-ইমূনস্থু মাইদমক্তা লেপ্পীয়িঙৈ মালংবা মানা হুমবদা লৈরাং মানা য়ানিংনা য়ানিংদা শা, হাই-হুম্না খাংজবা খোইমু ইথম্মোইদা অনৌবা ইনোৎ হাপ্পনি। অউবা কনাগী থম্মোই পেন্দবা নত্তে। অদুগা অউবা কনাগী থম্মোইস্থু মীৎ নাদবা য়াওদ্রবা নত্তে।

28796

ঙসিগী স্নমীদাং পুং নীপাল তাবা মতমদা পুম্রি মপালগী লৈকোন মচাশিদা উন্নশি হায়নখি। বিমোলিনিদি লৈগু থাবদা থরায় য়ায়া য়াওজ্রে। মীনা লৈনা অমা থদংখিবৈ মমীত্তা মপি তানা কপ্পা ঙস্মী। মতমচপ্পদা বিমোলিনিদি পুম্রি মপালগী লৈকোলশিদা শান্নজ্রে। তশেংনমক নিঙোলকা ওইজ্রে। ইমুংগী মীনা খীনরক্রবদি পুম্বি মপালদা য়েংঙুচো হায়নৈ। ঙসিস্থ নুংশিজবা মহাক্তবু খৌবাংনা ঙাযজরি। থাজে মোল্লবা প্রকাস্‌-মক ফত্রবস্থ আতিয়াসে তহাং তহাংঙি। নুংশিবা মাবু ঙায়-ঙমদনা লৈরাং কুণ্ডো অমা পং খদংলুরি। হেক থদংখিবগা হাইনা হুম্ন খাংজহৌই লৈখোক্তো। "ঐগী পুলিস্থ নঙগা চপ মান্নেকো।" মতোমদা তঙক তঙক যেংজহনা হায়রুই। থদংলবা কুণ্ডোদো নাপ্পদা চিনশনজ্রে। শাবী শানৌগী মতম, থম্মোইনা চৈ কারিঙৈদদি অউবা খুদিংমক ইন্নুংদা নুংশিথরে। মালংবনা হুম্বদা চোইজাইন্নরবা শন্নাংনা হাই হুম্না শান্নজবা কনাই থম্মোইবু হুরোইদগে? আপসরা মেনাকাহবু ঙসিগী বিমোলিনিসিগুম নীংথৌজরমগদ্রা? থোইবীস্থ কান্নদ্রে। সবী-জিস্থ চন্নদ্রে।

পীক্তক্লা শীরীবা ঘড়ীহুদা যেংঙুই মতমদো ওন্থোক্লা য়াম্না রাংলম্নী। হৈপ্পলি লৈপাল কয়াস্থ নোক্নরহনা 'মতম রাংলি, মতম রাংলি' অসিতা হায়খরে। ইকাইরম্মানে লৈরাং কুণ্ডোগী নাক্তা চংশন্দুনা হায়রুরি, 'ঐনা থাজবা কুণ্ডোনা পরেং চানা লেংহনা হুকচনীংবনি নুংশিবা নঙগী ঙকশমদা, হুকপা ফংজদ্র-

বদি ঐনা করি কান্নরুনি থাজরুবে।' নহালমখৈ সত্যমনা লেপ্তুনা লৈরম্বা নোবাপ পাম্বীদুই মনাক্তা চংশন্দূনা হায়রুরি থম্মোইনা—' মহুপলোই। পাম্বুবা মাগী শক্তমদো নঙস্থ কুই-ররিনে উদবা য়ারুরম্নুকো ওসি য়া'লেন নীপাল তাবা য়াই মুংশি শক্তম শোয়ররোই।' মফম থূদিং কোইনা মুংশি পাটক্তেলরুরি। য়াঙ্গংলবা পুখ্রিগী থোঙ্গাহুদা ফমদুনা পাউদমলুরি, 'করিগী য়া-রিবনো করুপগোই। নহাক্কী চান্নজবী নোংজ্থা শোয়দনা খোংথাং কল্লরুগনি। ঐনা পাম্বুবা ঙাইজবগুম নঙস্থ থৌবাংরিব। নত্রাও ? ঙাইবদা মকলশি নঙ ঐগীস্থ করিগী পুনিমা থাজদো লাকলোই। কদোমদৈদো খংদে 'চবুক' লাওবা মখোল অমা তাখি। শিরিবা ঘড়ীদুদা য়েংথকবদা খংখি মহাক্তি। হয়াওনা নোবাপ মখোংদা চেনশনজরকই। সত্যমনা হান্ননা ফমদুনা ঙাই-রমলে। পাক চংশন্দূবা ঙমদ্রে।

কৈদৌরে অথক তহানা চেন্নরুগা চপ লেপপ্তুনা লৈরবদি সত্যম্না নোক্তুনা হংলকই। "মুংশিনবৈ হৌনবীনী।" বিমেলিনিদো নোকচৈ "কয়াম কুইরে ঙাইবা ?" মুম্নীং তাদ্রি-ঙৈদেনী।" 'থাজদবো।' 'করম হায়রগা থাজনী ?' অহু-বুরো নঙননে ঐগী ইনাক্তা ফমথবগা ঐগী নাকোং ময়াদা তুমিন্না হায়রবদি থাজনী।' 'হৈম্না য়ান্না ঙম্মীনহে'। নোক্নীংল মানে থীং থীং নোকই। মুংশিনবৈ সংসর অনীগী কুম্মৈদো মীং নারমানে থোইনা হেন্না মঙাল যরবা থরানদো মুশি মুশি ঙানখরে। পংদুম তুম্নবা অহল ওইরবা মালংবদো মহৌশা

নীংশংলক্লমানে ঐ লৈরি হায়বগুম খাদৈ অরাংবোমদা য়াওনখি। হৈপাল হৈপাল পুম্বস্থ য়াওনখি। —' তাস্মো শাশিকুমারনো ঐখোয়দা তোয়না লাকই। ঈমাতোনগা রারী চীক্লা শান্নে ঐ য়াম্না ন্নিংনৈ।' ...' অদো চংভৌরশিদনা ?' ...' হুন্দক্কী পরিক্ষা-শিদং থাদোকখিগে ? লাকলিবা য়াওশংশিনা অরোইবা ওইরগে।' ' মতমদু ডাইবদা লৈনানা চোইনা কেনথরবা নীংজরম্বনা অম্নেম্বা তাঙবদি ঐতনা ন্নংশি হৈতবা তাহনগমুকো।' হুন্দক্কী রাকম-শিমদি বিমোলিনিগী থম্মোইদা মচিন তুম্বা চৈশাংনা থীরগুমক্লে। ..." মহ পুম্বা চানবী হৈবা ইশ্বরনা থৌজানবীসম্ব।" ' মতমদু ডাইবদা কল্লকচাওবা কনাই মীখুৎনা থাদংপীখরবদি ... ...।" " তাস্মো।' ' ঐগী ইরালদি লৈত্রেকো।" ' তাম্মো।' 'ঐদি নঙ্‌বু তশেংনা মুংশিজবনি ওসিফাওবৈ নঙুংদা ঐনা কল্লক-মীহৌবৈ খুদম উৎথরব্রা ? মতম অমদা লাইবক থীবদৈ পোম্‌শাৎনবীবা শিঁঙেলনা মালংগী চৈথেংদা উফুল্লক্কা খোজাও-নবস্থ ঐদি স্নৌশনবা ওমগনি।' ' তাস্মো।' বিমোলিনি হায়কৎ নোকচৈ। ' ঐদি নঙ্‌গী থম্মোইহুতবু মুংশিজবনি।' ' মমা-তোম্বী খুদিংমক অস্মুম্না তৌরমগম্রা ?' ' থংঙে মখা তারগনু।' তাঙশিদা মুপী অমৈ খোঞ্জেল তায় ' ঈচে ঈচে।' সত্যম পাখৎলপ তৌনা ' নখোয় বালা নৎত্রাও ?' ' মাম্নি।' কম্না খুমখি — ' শিদা লৈয়ে।' ' চাক লোয়রে।' ' তারে তারে।'

মতমদো ফনা থেংলমলে। থাংনীংদনা থাংবা খোংথাংনা। মীংয়েংগী রাংমা লানব্রিফাও অনম্বা ফোটোগুম লেপ্‌ল্না য়েংহৌই।

খাক লাওবগা লোইননা তারকসন্থু নোংনা ঝম ঝম, শিংলকসন্থ নুংশিংনা উ উ, খরাইগী থরাইনা পেগী শক্তম লৌরবদা করিগী নোং-নুংশিং চংগনি। হৈথরকসন্থ লেন্দুম্ লেন্দুম। পেঙ চরম চেৎনা পায়রগা লোয়রে। মুংনরোই কৈদৌনুংদসু থুপ্লবা থংম্মাইগী আসন্দা লাংলীবা নঙ্তৈ প্রেম বর্তি।

মরীশুবা শরুক

মঙ্লানদো পেল্লিদো

শাৎঙ্গনি শিঙ্গারৈসু শোয়দনা
লংলরনি লৌবুক্সু লাইজনা।
পাইব্রকনি পোইন্নুগী পুর্নিমাসু
থাথিগনি থরানগী থাসিস্থ॥

—"পাখংনেনে শিবো নৈশাবী মমাংদা ওন্থোক্লা লেং তাথরে।" —'ও ঈবেম্মা য়াওদ্রবদি কমদৌশিগে ঐ ওইনা

লৌজবো '.। "য়াওশ, মতম্দ.বা শেল ,য়াওদনা কোয়রিবা নঙনা হেন্না ঙকখবে"। ইন্দ্রানী জমুনা, সুমতি'দা কোয়না য়ানবৈ ।"কো-যদি' কোয়নিং থরাই মচা অমা য়াওচরিবনীনা। শেল পায়দনা ইঙোন্দা শেল মুল্লিবা নঙনবু হেন্না ঙকখরে । হুরেল থাবলদদি নহোয হৌদিবা নহোয নিপাচু নৎত্রবদি, ঐখোয়না পায়গেগা অমতা যাদে"। লতানা-'নঙোন্দা কনানা য়াদ্রিবা'। "নঙনা য়াদ্রিহুদি" লৈশাবিচু মযা কুমখবে। শাওরকই -"নামৈ চাকনা শম্বাও!

লৈশাবী পাখং জুরা জুবা ফম্বী চিবক চিবক। লৈশাবী কাবু, পাখং চবুন, অঙাং তেঙ্গোল, রাবেম গুবি রাথি ঙাংলি। খরনা চংলি, খবনা ইম্নে। খরনা নোক'ন।

"ববাসিন্নি হুবেনদি থাবল লৈত্রাও"। পুন্সিগী পাওখুমদো লিদে চিন্দেল ফবী প্রেমীলানা, "লৈনে" "হুরেল থাবন চোংবা খিত্তা য়াওজবা য়ারোইদ্রাও' ববাসিনি" নঙোন্দা য়াওবা য়াদে হায়-খরবরো" ববাসিনি দা শাওরকই। ফাগীওই সন্দোসনা 'ঐখোয় পুন্সিদি ববাসিনি নৎত্রবদি থাবল চোংনিংদে হায়নে"। পাওখুম শেম্বী হৈবী হিয়াইন্নুনা 'পুন্সিনা ববাসিনিবু নিংজবদি লৌশিংতা খাজনা থিবে খোংফমদা তারদপোংনিদা'। লৈশাবী ময়াম রা লাওনা নোকই। 'ঐদি হুবেল কনাবু পায়বগা চোংগদগে খংদে'। থোইবৈ থম্মোইদো খংহুনা খোম্মৈনা হায়রকই, 'নঙদিনে ঐখোই পুনিমাসে পাযত্নুনা হেক চোংঙু'। পূর্নিমাদো থোক ইনখোকলুই। রাথি ওনখোকনা ঙাংখরেদকো'। শাওজম্নৈ থম্মোইদদি হরাওজা

‘নুঙ্ ফাওবা ফজ্জা ফজ্জা তুম্নক্কই। মীওইবগী থম্মোইদা তকপদা নরিগী য়াম্লোইদগে ’পুর্নিমাসিগী রাখলনি। শিন্মশি’নদো লৈনিংঙকাত্রে। মমাম্নবী অহৎ লাম্নবদি থনখবে।

“ঈবেম্মা নঙ্ ঈমানা হায়রিবশিদা যাদবা তৌজরুকে। ঈনানা সিল্লিবসে নঙ্গীদমকতনিনহে’। ‘এদি ঙম্লোই হায়রিবসন ঈমা ‘নঙ্নানে মরুপতুদা লৈবদি নখুত্তা হামদুন’ চাগদবনিকো হে সত্য! জ্ঞান তাওনতে অপাংবি মমাওইবশানা মচা নঙো-নবু নুঙাইবা য়াযবিকোনদা লৈহন্নিংবা হোঁনবনি। ‘অঙ ওইবস্থ মতুই নিশাত্রদি পামদেনে নৈশু’। ‘ইনাকস্থ পুল্লি মবল মথুমদা কুবেবগী পুকৈকে। মশকস্থু ফজৈজ। ‘অহু ওইবস্থু’।

পুর্নিমাসিগী মোইথেম পুম্না নুংদা ঈশিং চইবগুমথরে। পামদেদা পামদবা হায়সিস্থ। বিমোলিনিগী মীওদি শাশিকুম ঙনা নিংথৌ শাববুদি সতামকুলাবনা মীনাই শাবনা হেন্না য়েংনিংঙি।

“নঙ্ যাদ লাক্কগা যাদেকো নপাগস্থু তাম্নবনি”। কৈগি-নো ঈমনা এবু ভিংথং মথক্তা হিপহনগদে হোৎনবিবিসিবো’। ভিংথৌ নতোম্বা হায়বনিনে অপুংবী মোল্লবা তেরাই মোমপাক’। মোল্লবা তেবাই মোমপাকমক ওইরবস্থু পোৎশেম যাহুই শোইদনা ওইরমনি, ঈমাই মীত্তনা নুপাগী কোম ওইনা উবিবদো নচাগীদি মোঙফমনি’। “স্বর্গ কানবা কৈরাক থাবরা যুগসিদা ওস্থোকনা পংইদকো ঈচাদি”! ‘নুংশিনবা শেলনা লৈবা ফংলোইকো’। তানজাসিদা মেম্মা থাইমেম্মা মখোইনি কোয়রকই। মেম্মনা ‘কো-ইরুশি বিমোলিনি’। নুপী অমা ওইরগা নুপী অমৈ অবাবা থং-

বীদবা,' । ওংজম্মী মমাতোলদা পম্বদে লৈৱাংশিংদো কোয়বা চৎখি। যাঙশংনিনা মা-মা থোকপা চৎখিদুনা পুন্নিমাশি মতোমতা ভায়রে। মথুনা শাশিদা থাজবা লেংদ্রবা ৱাখল ওইখরে। শাশিদো খেঞ্জেনগা লোয়ননা চংলকই। বন মন্তা লৈত্রে থন্দুনা চংলকপনি।

"য়ে ঈবুংঙো শাশি। লাও, লাও, ইবুংঙো খেঞ্জেনম্ব য়াওরক্লি'। অনীমক চপা মান্ননা খুমখি "হোয় ঈচে'। 'মাগী পুকচেলদুবো খিত্তোযাও ওন্দ্রিবরাও'! "ত্মুংদা ঈশিং চাইবদু ভায়থরে ইবুংঙো'। শাশিদো হায়যেং মায়থোং মকসনখি। 'মতুদি করম্না ঐগী ওইবা যংগংপে'। হেবা ঈচে লৈদ্বীসিদি। শাশিগী নাকোংদা কোন্না রা খরা হায়। হায়যেং হয়াওবৈ মঙংদা মঙক হায়। কোন্নেজগী পদিক্কা লোয়বা ত্মমিৎমক নৎত্তবম্ম খুদোংচাবা মতম অমা হেক্তা য়ায়দনা! "য়ায় অত্থবু থিন্থবদি য়াদ্রেকো নঙ্না হেন্না খংলিনি জ্ঞান তাবমানে ঐখোয়না পক্কবা শিনফমনী ঙৈহাক ৱারি শানৈ। শাশি ফুরিৎখাওদৈ লূপাগী চবুন লৌথোক্না পী মখোয়ম্ভ মফমদু থাদোকখি।

বিমোলিনিদো চৎথোক খোংতোকপদা ঈচিংদা চিংনখরে। নিশাল থারে খংনা খংনা ফিএংনা স্থম্নবা পামেলগী উংক্তে, ভায়থ্রে। মুংশি পম্বুং য়ৌদ্রিদ্বৈ লমখাংদা থদংপীগদ্রা চিংনজে। মতোমতো তেংথ জৈ।„অপোকপী ঈমা ওইজরমলবদি অম্বম্না খোংদা ঝিঝুর থাংলমলেইদবনিকো"।

"কুমশিদি কৃষ্ণ শেনবা কাংবুদি লোক য়ামনা থুঙবনিকো"। „লৈশাবি হাতম অমা থী-থংদ্রেনে'। অঙকপা কুম্মৈনি। মফম মফম

খুন্দিংদা হরাওবগা মুংঙাইবগা থেংগায়নৈ থবক শুনদে । ব্রাৎত্রো পাদ্রবা মচা মশু ঙাক্তা ঙাইখ্রে। নৈশাবী থরদা মঙাণশিবা পাখং কয়ানা থোক লকনরুই । চাক লোইরমলেকো অঙাংগদো শেংনা ঈরুজথোকপীরম্মু। ঙসিদি ভল্রা চাবা চংকদবনি'। 'চোহৈ' থিনা চৈরম্মী নৈশাবীহুনা ঃ

'ঙসিদি পাউখোং অমা চনগেকো বিনো ফোংবা ঙমগদ্রাও' ঐন অৎংবদা চল্লকউনে'। 'অহুবুরো মাগী মুংশিজবী অহুদনে পুন্সিগী শুহুনসু, হিদাক কয়া থাহুনসু কোকলরোইদবা মচু খরা রুমান অমদা চুহল্লগা পীরে অহুগা হায়রে নঙনা রুমানদা চুরিবসে কোকননবা শুবিরকউ। শুবিবা ঙমদ্রব'দ ঐবু মুংশিদে হায়না কৌদৌরিবনিকো। বিনোদো বিজয়গী পাউথোংদো কোক ঙাওখরে। 'কৈশু ঙমলোইদা'। অহুদি বিনা ঐ শুরগেকো ঃ শুরোনে' অহুবুরো কোকত্রবা মচুনিনা উপায় কয়া শিজন্নরবসু কোকলরোই-দবনিননে মানা পিরকপা রুমানহুগা চপ মান্নবা ফি অমা খৈদেনদৈ নৈরগা চপ মান্নবা নৈরোদা চপ মান্ননা লোলগা পীঞবদি শুরে-দনা। মচুহুসু কোকথ্রেদনা।

ময়ামসি মহুংদা সত্যম, বিমোলিনিসু য়াওদবা নত্তে। চাক চান্নবা মতম ওইহুনা চংনখ্রে। সত্যমসু কোয়রুবৈ ব্রারহুনা মহাক্কী কাদা ঙৈহাক পোত্থারম্মী মুংশি মায় মংলাদা।

মফমদো অমারবত্তিগী নৈকোলনি। ওস্তোকনসু ফজখরে। লুপাগী দেফোদিল পাম্বীহুনা সনাগী মপাল শাৎ। রেডিয়মগী উচেক খো-ম্নোচা কয়ানা পঞ্চম সুরদা ঈশৈ শকই। খারোমদৈ পোনদ

পোমেংকী মনম নম্বা মালংবনা অরাংলোমদা হুমথরি। কেশোরি চন্দোলগী ঈশিংনা ইমাই চোক্লবা পুখরিহুদা গোপিচন্দোনগী শিড়ি চল্লি। মচু লিশিংগী থম্বালদা মচু লিশিংগী খোইমু ঙই। মফৈ ওইরপনা থোকণ্ডা অচিথে মকূই মুঙোল চিং লৈ। লৈকোল মন্নাদা হৌনানা কুপ্পী ঐগী মহুলদো।

মুপী ওম্না থিরগা মচাই মপাল ওম্না চাত্রা হায়ববু নংজগে নরাল খুরুম্বা তাখরে। থম্বরুরবদি ইকাই ঈচা ময়ামতুগা চপ হেক মাম্নৈ যেন্নাও মচা ওনবত্তু ঙাই। নাওরোলসু কুংবনা ফাইবোকও করি-ও।ওবিনবা অকেলা চাবিনবা বত্তৎ। খল্লে শিগদবৈ শরুক হিংবনা ফরে। ফনা মুংশিত্তনা ল্লৌরুবা মুপিনী মুংশিদবনা লোয়রে। মমা মচা পুল্লপনা ছ পিজত্তনা হাতোক্লসিরা খল্লবনি। চহি য়াম-দনা ওঙং পোকপদা ঐনা ফাষ্টনি। অঙাং মশিং থিবদা খদাং চোকই।

‘বিমোলিনি চাক লোয়রবরাও” ? মুঙ্ থুগায়রুবৈ হল্লকপনি। চাকসু লাম্বনা তংতৌরবনি। চরু চনাই মরক্কুদা অহাং ময়াংদো তূম্বা য়াও হিপ্পা য়াও। হুইনাও মচাহু ঙাই। কেরোসিন ফংদে হায়ত্তনা টিউব লাইট থাল্লম্মী। থারকী অঙাংদো অমনা পোয় অমনা পম্মী। ‘নত্তে ভারিবয়া নওবু চাক লোয়ত্রীব্রা-ও’? শাওনা থুয়কই. “ও ইবুংঙো চাকা চান্নবা চেঙ্ কৈত্রিয়ে”। ‘হা’? ঐ ফমথৈ শর শাংনা হোম্বরগা তান চারুবা হায়ত্তনি। ঐগী খোমকোকলাই চুরবা ঈচাহুদা কোক ফমজল্লুই। ফ্ক হৌগৎলকই; ‘বাবা ঐগী বোড়া লৈরকপ্রা” বোড়াদি হায়রুসু কাঙৌফাও লৈর-

কতে। অমনা মরোল অমা 'ঐথোয়বু কয়াম কুযনা চরা হেনখিগদ-গেনে বাবা। : হেক শিত্রিফাওদি হেনখিবা তাবিদনা ফংশিদবৈ মচাও " ভাঙ্গাহুদা ঈচা অহলহুনা অঙাং অমসু চুরিতাফবদা ঙিগ্নম্মী হাযহুনা পূশল্লকই। অঙাং লৌশনবা কাওবত্রাও ঈমা। হৈমা ইকাওর কাওই। অঙাং মশিং থি। ঐনা 'কবম্বা ভঙ নো অহুনা'? হাকুম ফাইবোক পোকপহুনে মাইপাবুং। অমনা মাইবিনা খোঙ-ইরি ককপদা কাটি মতোলনা পুক্তা রাইকবদা চৎখবেদনা। ঈচ মরিশুবহুনা,- "নচা থাকপদি ঙমলোইদনা কৈদৌনা মুপী থিরিনো' শাওরপনা ঐনা, "ঙমগদবোই নিংঙি শুমহাই তৌনেদি কনানা খংনি ' পোইনুদদি উচিদসু মতু অনী লোল্লিনহে খদ্রক।

খোমকোবলাই চুববা অঙাংহুনা মরোল অমা চাগেগা থক্কেগা অমূকতোইবনি। ঈচাদো মখযাত্তো অরৈখৈ কাথোকতুনা কপ্পী থেম্মী য়াদা, তপ্তা লাকই ফংতা। শাওবকই ঈচা খেম্মীবদো অঙাংনেনা কপখবেরানী মখয়াৎসে অবৈখৈ হেক, কাথোকঅদনা খোংপাক্লা নেত্তুনা বব লাওনা হেক শেগাইবা। থেম্মী, তোকওনে সনাগুম্বা লুপাগুম্বা মীশিগুম্বা নত্তেনঙবু নপা শিগৈজনগা লৈমিন্ন-খিগত্রাও! ঈযাম্বৈ ইবুংঙো নঙনে চবা হেনবদা শি তারে অহুননে পুকচৎপসিদা যাওখবোকো। অঙাং তুঙ্গোঙ অমা পোকশল্লগা থাকপা ঙমদবা নপা শিগৈজননি।

বৈতবনি তোর্ব্বানগী লোইশংহুদা শেল ফংঙি, নোংমতসু চরা নোংখম্লনী খন্দুনা ওপ্রেসন তোগে চৎললুবনি। শেল ফংবদি লাইবদনা অঙাং হেন্না পোকপৈ ফাইন তৌনি হায়। চাক্‌থোং মত্রা করিনো অগোর চা চনদোল খরদি লৈ।

তৌবদি মাস্থ পংরা রাজরপোৎনিদা। শাওরুই ঐনা, 'নস্তে থরায়গী থম্বাল নঙ্বু কনাদৈনো থিত্তদি পুরুহনা থোংঙম্বা য়াত্রাও! অঙাংদি লাইরি ঐবু শিগদৌরেমী। ও খংনবগা হৌরকমু। চানিংঙাই লৈরবদি খংননিংঙাই ঙাংননিংঙাই লৈতহনা মোরোক মেৎপা শায়, চম্ফুৎ থুম নমদে হায়দুনা খংনবা য়াবা অহুমু নংতেংদা। ঈচানুপী মন্দকিনিদো কদোমদৈনো খংদে, 'ঈমা ঐখোয়সে চরা হেনবা লমদমনরেবো। ঐ চরা হেনবা ঙমদ্রে ঐ চেনখরগেবা' ? ঐনা 'হে নৌমল্লিনে, নমাই দশাসে উরেদনা নঙ্ ইফ ফজরদনা ঈমাং মাংজনী'। মনদাকিনিদো শুৎ শুৎ কপলকলে, " ঈমানবীনা নিপা মরোন ২ থমনরিবা ঐগীনা কদায়' ! ঐ শাওরকই, অহুবু ঐখোয়দা হায়রিবরো ও ? কপকমু নঙনা কপপদো য়ামা থি ইশু শুগৎলদনা'। চংলো চংদো তুম্মুরো হয়েং ঙস্তা থোংনবা। হয়েংদৈদি থানিল নঙস্থ পি, দবলিউ ডিদা থবক তৌরদনি। রুললর চাকা মুংশিং হানগদবনিকো। থানিলদো হরাওনা মায় কাদা চংখি ফৈদা অহুদি কাংথন অহনবা খনবা য়ারেদনা। মাই ২ জগাদা চংনখরে বিমো ইবানিদা ঙায়হৌরে। ঈবেম্মা নঙসে ফনা মুংশিহনা লৌরুবনিকো। ইকাইরমনে বিমোদো 'হৈমা' নোকফেৎ তৌই। থায়নৈ থজাই কুৎতক তৌবহদি হুজিকফাওবা হল্লমদ্রি। থম্মোইগী ইথীল অমগা লোইননা থোক চোংশল্লুই। শুম চারবা ফমুংদো আগোরগী, বেক লাওনা তেক্কুনা পুপ লাওনা তায়। চীংদৈ তাগুম চিং লাওই হচংসে।

-"সতাম ২ নুমীৎ তারেনহে"। মচে রা'লেম্বীনা হোদো-রকই। মঙ্.ওই হাওই ফুক হোগৎলি। মমীৎ তরং ২ পাংচ্-না মচেবু মুন্না য়েংহ্না "আস বিমো-লিনি"। 'হৈমা ঐনিনে বিমোলিানি নত্তেনে"। ঙক্সা হেংহ্না "ঈচে'। "হাওনে"! স-ত্যমদো কৈমোমা তৌখ্রে। "ঙঙ্.বু বৈদৌববরগে? 'ঐবো'? সত্যমদো খন্থরুবগা নোকথোরবলে। হৌগৎলকতুনা মপাল থো রকলে। ফনা খেংলমলে মমীৎ মনায় ঙাশং ঙাংঙবা কোরৌহন্ব-দো নোংচুপ চিংখোংদা ফমথখিবমলে।

মঙাশুবা শরুক

পুনসিসে মাংজরেদকো

কেমহৌরবনি কবোকংগুম কান্নদনা,
লেমহৌরবনি লুখাল্লগুম লংশেঙ্ক্না॥
অঙকপা থম্মোইনী, অঙকপা থৌনানী,
শাশন্নবা মুংশিবনী, মুঙ্.গী থম্মোইনী॥

মবুক লামলবা ঙারাকপীনা তুরেল খোংমুংদা ফমহ্না লেম-লৈ ঙা ঙায়বগুমনা ঙায়রকপা কুইরবনি। মমাতোলগী য়াকা

তুংয়িন্না বিমোগী তুংদা মমিগুম্মা ইন্নবা কুইরবনি । ওসিগী খুদোংচাবসি নানথোকহনবা য়াদ্রে খনখরে । ওইথোকপা য়াবদা খনব্রবদা করম্বা শোঈবা য়াওব্রবগে ।

সিনেমা হোলদা , হোতেলদা স্মিত্রিদা , ছাত্র ছাত্রী পুম্বা পরীক্ষা লোঈবৈ মুণ্ডায়বা ফোংদোকনৈ । পোনগী থোং হাংদোকপীরবা চেকলাহ্নু ভায়ব্রে । হৃদ্নাওনা ব্রারি শা শাহ্নুনা বিমোলিনি মেন্না অমদি লন্থোনি লাক্লি । শেম শাহ্নুনা হাননা লৈরমবনা বিমোদো বলাকায়গী লাংদা থুব্রে । জিব অদো হুংশি-ংকী মাং থাহ্নুনা মমাংলেমদা থৌখি ।

মতাগি মচিলবৈ কোল্লেজ কুমলকপদা বিমোবু শাশিনা ফাহ্নুনা পুখরে হ'য়বসি তান্নখি। অপোকপী ইবেয়াইমা অরাম্বা য়োৎতুম অমনা থোম্বগুম ব্রান্তখি । অহুব্ পুর্নিমাশিদি মাইথোং মোমোন তৌজৈ । গোপালদো তৌফম খংখিদ্রে । পুম্নমক অসে মমাতোলগী খুজিল থোরাংনি হায়বা মীপুম খুদিংমক খংনখি । ইবেয়াইমা কপচ লাওজবা নংতনা উপাই লৈখিদ্রে । ইবেয়াইমৈ অরা মপাও পুরহ্নুনা য়াঙ্গংলবি ইস্কাল তুরেলদো তপ্না তপনা চেনথখি । পাও অসে মখোং য়াংনা চংখিহ্নুনা শিনবা থুং-না তান্নখী । অদোমসু শোঈদনা তাবিরমগনি খল্লী, অহুবু মরি লৈনবা সতামতদি ভাখিদে । মহাকতি মপাগী মহুৎ শিনহ্নুনা অপর খুনৌগি লম্বী শেমবৈ মুহোব্রিদো মতম খরা পুরম্মী ।

মহুগী লম্বিদো প্রজা চংনদে । মাদি মরক মরক্তা চং-পনিনা লম্বীদা তাবা হাওখুল কয়াগী মীওই খরা খংনৈ । ইবে-

য়াইমৈ মতৌদো য়েংঙমখিদ্রে । খুদিংমক পিরাং শিনথরবকথি । 'নুপী ঐখোয়গী তোললিদকো " । পুন্নমকক্কী থম্মোয়নি । মতাশিংস্থ মীপাইজখী ঐঙোন্দদি থোকলোই তম্বা ঙমদে । ঙসিনা খি মা-লিনিদা থোকলরে, হয়েংনা কনাদা থোকলগবা ? খুদক্তা চংসিনহন্না পুর্নিমাশিবু হ ৎতোকলসিন্না হায়ফাও নিংখবে । ইবেয়াইমৈ মথস্মো-ইদা মতোমতা ঙক্জানজে । সংসারশিদা নুপীদৈ হেন্না তেম্বা জীবা লৈরিবরা ' হেনবস্থ নুপীদৈ হেম্বা লৈরিবা । তোম্বদৈ তোম্বা হেনবদৈ হেম্বা নুপিনী ।

গাড়ি অদো তোল্লোই লমথ.যদা হায়জলখবে । ময়ামন চংদ্না খুম-খিবনা বিমোগী খোঞ্জেল কনামতা তখীদে । শাশিকুমাবগা খংনবা তো ল্লোইগী হাও পাখংদ্গী ময়্মদা প্সনথে । ফনা থেংলমলে মী পুম্বা তুমনা হিপনরমলে । ফজবা নুংশিজবা নখোযদী কান্নামলবা মী ৎকী মমাংদা কৈদৌনা পাইচনা শানরী ? তাদী তানিংদা তাদদী য়াদ শিস্থ শিনীংদা উপালক্তা পাংলংবা ঙাংলবা হৈনৌসে খুদী শাইরো ংগী মপার্দো লেপল্বনা মালেমদা তাখে । অদ্বু মকু খোক্ত্না চাহলখীদে । চাবদী লোয়না চাখি ।

মতাং গুক চক্করাযরে । ঙবাংদৈ ঙসিসি সক্তামদো য়্মদা ম্লোংনী খলবদা হবাওজবম্মা । চীংলৈবাকতুদা ওনথোক য়ানা লৈথপো-ৎনী । ঙত্তানা খিকদাবগি জিপতু থৌহ্নো মষ্মলোমদা লাকই । হাওখুলগী মীওই খবা মরক মরকতা চংনবা নংতনা । চংনদবনা ল-ম্বীদো য়াম্বা ফংতে । গাড়ীদো তপনা থৌরকই ।

মাইকৈ খুদীং তীঙ্খংতনা কুয়োম শাম্নবা অশেংবা অমিটৃদো তাইবং মীদা খিক্লা উংচগে ফংদ্রবা থৈবোংনুংগী অমিৃটদু ঙাম্ন-খরে । যেংখিবদা চিংগী চিং ঙাক্তা কায়দনো বিমোনা চেলল্গ-দবা শাশিম পোযনা চিংনদ্রে । লিমোলিনিদো মতা খরগা লোই-ননা শূলদৈ গজিত্তং লাপনা লৈবা ঈশিংখোং অমদা ঈবুঙবা লাকলি । শাশিনস্থ চেকশিননা শিনম্নকই । তোরস্থ কদয়্নদনো ঙায়োক চক্ফুগী ঙানা চেগদবা ? পোকলগা শীনীংবা কনানো ! "ঈভা — ইফংশিকো শেংনা ঈকজথোকসিকো" হাও লৈশাবী অম-না হাযবকই বিমো পাওখুম পীবক্তে । তংতনা নিংশিংলী সতামন্ । মীংকি পিরাংদি খকথিদবে । করিগুমবা পামমু মাগী যাকাদা মুংশি হৈনা ইনজবমলবদি ঙসি মৈথকতা ঙৌরিবসী ঙৌবমলাযদবনীকো" । মপুকনীংদা খনজৈ । মখোন থোকনা হাযকলে— । ঐগীদমকতা ওনথোকনা মচুতানা হোংনবী-দকো ঈমা ? নচাগী মমল ওইনা ঈমাবু শেল কযাম পামবী-বিগেনে ? নচাবু মৈথক্তা লংসনবা ঙম্বী । শেল মবকক্তনু থম্বী-ববদি ইজ্জং সনমান লৈতে "মতাশিংদো ঙকনা যেংঙী । করি তৌবে ইতা ঙকনা আচিল্লনা । বিমোনা অমুক—" ঈতা । ঈতাস্থ ঐগুমম্বা মীশক ওইবমলবদি ঐগী মৈচাকসে থংলমগনীকো" —,,ঈতা নঙপু ঙাওববরা ,, ? ঙকনা য়েংনৈ ।

জীব অমা লাপতকনা থোরকপা উই । বিমোদো প্রেমগী ঈরাগা লোযননা মুংপাক অমৈ মথক্তা ফমমি । মহাককী নীকোংদা কনাবুস্থ তাখিদরে । জীপতো লেপতনা থোজনলকই ।

— মীতৈ ইপুং শোয়ভানা ওইরীনী ঙসি নংত্রাও মীতৈ ইপুংনা লাককনী হায়পীরমপতো — " । হাওনেংখোয় হিংকীমখোয় ঈরাং লাংঙি জীপতু য়েংঙগা । গাড়ীদো য়ৌসনলকনে । ঈরাং লাংঙি— মনি শোয়পিতয়ে „ । বিমোদী লাংবা শকপা করিরতা তাখিদরে । মখোয় পরেং শানা মথুং শমনহুনা থংলে গাড়ীদৈ „ হোয়োলনা ভিং ভিং খোংলকই । চংপিপা য়াতে চংপীপা য়াতে । হেয়োল কননা খেংহুনা সভ্যানা নখোয় শিবা কীদয়েদনা । কৈন্থ কিপীদে । কুমথরকই বিমোদো তশেংনমক মীং পাংনা পাংনা তুমথরে । য়েংখোকউবদা মমায় লুকথনা ঈশিংদা চাখোককদবগুম য়েংলীবী বিমোহু উরকই । তুমিননা হংলুই— " কনানো আচিল আসিবো " ? „অতুপুয়ো ইস্ফালতে কনানো য়েংপিয়ো মশক মতৌ ফজবী মীতৈ লৈশানে সত্যমদো চিংনবা ফাওথি । মতৌ করমনা মফমসিদা মীতৈ লৈশাবী করমনা মফমসিদা মীতৈ লৈশাবী । মনাক নকনা চংস নলুই । মহু ফাওবা বিমোদো তাবা লৈখিদরে । কৌরুই উপলমবা অনৌকতু লৌথোকতুনা— ! করি য়াখলনো ঈবেমমা " থুমলক্কে । মমায়সু হায়গৎলক্কে । হংলকই হাওনেংদা — " কনা নো হাওনেং „ । হাওনেংনা—" অতুপুয়ে ভরাংকো ঐকী ইপুংকী মীতৈ মরুপ অমনা ফাতুনা পুশিরকপ" মীনুংশি উৎতুন সত্যানা — 'ওহ । লাইবক থিরবী চমুনিদনা " সত্যমগী থম্মোয়দা কনবীগে থনথয়ে ।— " মুপীশিবো চানা শাবা লাইরা ! মহাকসে ঐগী ঈচল ওইরম্বা থোকলবদি নংত্রগা — '

ঙুংশিনা মতোমতা থনজৈ । অঙম অঙম্বা শেংশেংতুনা চানরবদি কবম্বা সংসার ওইগনি ?

—" লাইবক থিরবী চন্নুও । করি রাখল থল্লিবগে " । চন্নুহুনা য়েংথরিবা ঈফুংকি অরাবা ঈশিংতুদা লৈতুম অমা থুনহুনা চবুক লাওনা থ'রুই চন্নুহুই রাখলদো থেককোই ২ লাইরেলগী শক্তম লৌহুনা মাবু য়োংকদবৈ তৌরক্লে । রাংনা পাইখৎথরম্বা রাখলগী তেলঙ্গাদো মন্না তৎখ্রে । সত্যমদি লাইবক থীবী মায় শক্তমবু য়েংনিংহুনা লৈবনি । চন্নুদো য়ে'খৎলকই । চীংচেপতৈ হাইখবকপা ঈচেলহু ডাই । তু খ্যাও ২ চুংনৈ । শম চপ্‌ ২ য়ুংখৎনৈ অনীমক । মৈৎফম হোংনদে লৈশাবিশিংদো । ঙকনা য়েংনৈ অনীমক । সত্যমগী নাকোংদা খোঞ্জেল ৎৌনা লাওরকই —"অতুপুরো ঙরাংকো ঐকী ঈপুংকী মীতৈ মরুপ অমনা ফাতুনা পুপীরকপা ঙরাংকো ! ঙরাংকো !! " । সত্যমগী নাকোংদো মেনশনজৈ । কয়া লাওখি ঙমজবী থাহুনা" নংতে ২ মীনম্বা নমথাক "!! চন্নুরাশিংদো অমাগা ২ ঙক্না য়েংনৈ ।

—"তাম্মো" । কপ্তুনা বিমোদো কোনগদবৈ হৌগৎল্লকই সত্যমমু মথুং তিংথোরকই ওককদবৈ । অহুবু বিমোদো লৈথোকখে । কৌরুই ঙক্না "বিমো" । —'ত ম্মো নচলগী পুন্সিদি অরেম্বদা মাংজরেদকো" । "হায়রু মীশক্তু কনানো" । "মহু থংঙগা করি কারগদগে" ? "শাশিকুমার নংত্রা"? কয়া লাওখি "শাশিকুমার" । ইংথরগা, 'হায়রু মহাক কাইদা লৈ' ? চন্নুশিং ঙরিংঙাই য়্যাওখিদে । সত্যমনা —নঙ্‌ হুজিক করি থল্লিবগে ?

"মাংঙবা ঐগী পুনসিবু কনবা ঙমখিগদ্রা'?—ঐনা শেম্‌দনা কন-গনি লাও ঐগী তুং ইল্লু ঐগী য়ুম্‌দা চৎশি। 'ম্ভামো'। হ-ব্রাওবনা বিমোদো তরং মালংদা তাওখে। — খুদোংখিরবা মতমদা মায় লৈহুনা চেনগদবা পেমীকতো ঐদি নৎতে'। 'ঐবু মুংশিবিরবদি ঐবু য়ুমদা অমুক্তা থিৱ্বিয়ু'। "করিগী চিংনরি ঐগী য়ুমদা চৎশি লাও করিগী চিংনরিবনো মুংশিনবা করিনো? বিমোবু জীবতা চীংখংখি। 'দেত্রা যুগকী সতী সীতাদো রাবনা থা কয়া ফান্নরবনি, ফাবনা পল ওইহনা ঐনা নঙবু থাদোকদ্রা' গাড়ীদো থৌখি। মচিলদা শোনখি বিমোদো — ঐগু কলি যুগকী সতী ওইনী'! থেংনিংনা সত্যমনা "অমুথা ভাক্তনা হীমুক্রা অর-ংবা ভাক্তনা সনারা কোক্তা পোকখবা হেক গৌরগা তহল কৌ-বা য়াত্রা নাহেগনবা ভাক্তনা হেন্না নাত্রা লৈচীল মাদি লমখাং-দদনি থোক্লিবা নোংমদোল থাজদি থক্‌ লেংভোইকো শোংজরবা থম্মোইগী মঙালদি অত্নমক লেংদনা পুর্নিমাগুম লংনা লৈরম্ম" উযুংগুম্না খিলহৌই চন্দ্রশিংদো মনীৎ তরং ২ পাংহনা।

কুম্মৈছ্‌ ভাইখরে সত্যমনা বিমোলিনগা লোইননা গোপাল-গী থোঙ্গলদা গাড়ী থাবহুনা। গোপালসু লৈরম্মী পুর্নিমাশি-সু। মুংথিলগী পুং অনীরোম তাখরে। ইবেম্মাইমসু পাওশি তাহনা চেম্মোরকই। গাড়ীদৈ কুমথরকপগা মমা অপোকপীবু কো-ন্দুনা কপখরে। 'ঈমা নচাদি মাংজরেদকো' ! — ঈমাগী ঊবেম্মা ঈমাবু করি ওইরশিগেনে"। পুর্নিমাশিদো চেঙ্‌ থৈবদৈ হেন্না মী-কখরে। অগোয় য়ালকি মীদৈ হেখরে। মৈথক্তা নেৎলবা মুক্তা-

মনা থ.না চংশন্দুনা উপায় লৈজরবী পূর্নিমাশিব. খুবাক্লা য়েং ঙই চংহুনা থাক্লই। মরম্মদো থংঙবগুম কনানম্থু থামবীদে। অ-হোইনহৃম হেন্না ইনশল্লকই। শাওবনা ঈ কায়বা সত্যমদো মীংকী পিবাংগা ঈরোইননা চৈরুই—ঈমা অপাম্বা শেল কয়ানো লাইরবা মচামক ওইরবস্থু নরেপ থুম্। হৈবিগে, মমারা মহ পূবী কাংথক্লা চংবা লিল অমোম্না মচু ফজনবা শংবিরিত্রা মচু মাংননবা শংবিরিত্রা?

অমৈদক্তা ওন্থোক মচু তানা হোংনবীথে.দা"। পুম্নমক পুর্নিমাশিগী য়েরবা ঙাক্তা চাঈথরে। মহাক্না অয়ম্বা ওইখে.।

তরুকশুবা শরুক

নচাই ইজ্জৎ কন্নৌম্বু

তামথরে তাকথবে তাজস্থু,
মাংথবে মৎথবে মহাকস্থু॥
কুবিদ্রে কুমদমবীবনা কুমশিস্থু,
থোকখিদ্রে থম্মোইগী থাজস্থু॥

মমাগী ঈবু মচা মানা চা চাহুনা হিংঙি হায়রুনা ঈচা কৌরি-ঐগী ঈবু চাখিবা মাদি অতৈ কনাস্থ নংতে ঐনি। গোপা-পূর্নিমাশিবু থায়নব স্নুমীংতৈ হৌরকনা ইবেয়াইমদো হ মওম্না। লোক্লোক্তবীগুম লৈরকপা কুইরে। রাস্থ ঙাংদে হোয়রু

হায়দে; মায়স্থ হায়দে। চাস্থ চ'দে; থকস্থ থক্কে। শরূদা উনশা ওনা কুপশ্রে। করিগুম্বা রাথল অমা থনখি। বুদ্ধগী তপ্তা ফাংরকপা মঙালদো বিমোলিনিগীস্থ ফাওরকখি। 'মঙালশিতনা সমাংগী মায়থোংদা কারিবা মায়হিংসে মুথৎকে'। মাগী ভাশানি। থাজদা পকপা মাযহিংদি মক্না ২ মনিংথি; ইয়ায় ঙানবী থরোস্থ চয়াং যেংনা মফজৈ। অহুবু ঙসিগী মায়হিংশিদি য়েক্রমদা হামুক তৈগুরে মাংঙবা পুনসিবু পুম্মা মাংজখিবদা পাম্মুবী ঁংত্রবীনী।

'ঈমা পুমমক পংঙবী ঐগী ইরাল ঙাক্তনী, ঐনা পংমন্দুনা থোকখিবনি ঈমাতোলবু কৌশনবীযু ঐগী ইজ্জংস্থ কনবীয়ু ঐবু শাশিকুমরদা লুহোংবীযু'। নহ'লথৈ মরোল থোকউত্রবা মচানা ঙসি লায়েংবদা মরোল থোরকপদৈ হেন্না হারাওজশ্রে। —করিনোনে ঈমাগী ঈবেম্মা'? —ঐগী পুনসিবু কনবিয়ু। থোঙ্গাওনববী ঐব কনানা লৌবীগনী খোংবান্দা হৌবী পাংখোক্লাগুম চন্নফম খঙদনা মাংহনবীগন্নু' —ঈমাগী ঈবেম্মা'।—ঈমাতোলনা ঐগীদমক্তা যনবা শিনবীবনী শাশিদি মশকস্থ ফজৈ ইনাকস্থ থুল্লি, চপ্ চ'য় ঐনা মাবু ফংজবদি থুংনা থা ল'ম্বনি ঐবু মঙোন্দা লুহোংবীত্রবদি হ চাহুনা হেক্তা শিজগদবনী'। ইবেয়াইমদো তশেংনা পাখৎপা অমস্থ পোক্লে। মচাই রাথল; থৌনা, অথাং কম্বী চপ্ চানা থংঙি মাগী অনিংবশি থুংহন্দ্রবদি শোয়দনা পুমমক মৈগী কোমদা তারনি হায়বসি থংখি। —ঈমা ঐবু রা য়'ম্মা ঙাংহনগন্নু ঐবু সংসারসিদা কুইনা উনিংদ্রবদি কুশি তৌ মশিনা ঐগী অরোয়বা রাহৈনি"। ৰিয়োদো মথা ভারকখিদ্রে। থম্বা থম্বক্রুরগা থম্মোই মৈচাক হেন

গৎলকপৈ ৱাদনি। নোংমদোল লাইকনা চুথরকপৈ মতীক ঈচে-লস্থ লাও থোংনা চেন্থরপনী। কায়রবা থম্মোই অনীগী ঈরাও থৌলহু তাবদা মনাক্তা লেপ্লবা উপাল অমতা মনা কৎ হায়দে, মশা কৎ কন্দে জিবা অমতা শোং লাৎদে। মালংবা মাস্থ চপ্ লেপখি। লুবাং গুরুস্থ অমুতাপতো য়েংনীত্রামানে লৈচিল্লক্তা থোক লোংখি। লৈচিল মাস্থ অরা পোংলুম পুক্রমদনা মীৎলুই লাইজা খবা মালেমদা তপ তপ লাওনা খিকথরকখি।

মতা খরা. নিস্তা পোংলুম পুরিভৈদা অরা মায়থোং পুহনা অরা খুদোল তম্লম্মী। মতম চুপ্লত: থোইমুই মাইকৈ য়েংজবা, লৈ মন চন্দবী লৈনম চাওবী লৈরাং, লৈরাং লৈশাং তমজিগ্রিভৈদা কবামচাওবা কনাই মীথুংনা থদৎপীহনা উযুল্লক্তা থোঙাওনরবী লৈবাংবু খুনগৎপীহনা নাপ্লে মাচোম শেম্বীগদবা সমাজদা লেম্লহনা পুবিগদবা পুকচেল চাওবা থোইমু কনানোনে?

ৱাহৌবকই "ঈতা ঐগী পুন্সিসিবু হিঙহনা কান্নখিগদ্রা"? থেমজনরকই বিমোদা লম্বোনিনা "মীওইববু শেম্বীরীবা ব্রহ্মামক্তা চহি চা কয়া তপ্ তেংহনা যংঙমদ্রবা মীওইপোকশিদা নশাবু অত্তক হম্বনা খল্লিবা করিগীনো"? "অত্তবু ঐগী পুন্সিদি লূখাক্লা তাজরে থম্মোই শোকপা ৱাঙাংনি। —"পুন্সিবু তম্বা ঙম্বরা থোকখবদি থোকথরে। লেমহৌরিবা পুনসিন্সিগীদমক্তা থন্দুনা মুঙাঈথোকপা তংমমূ ঈতাগা ৱারি শারিবা ঐহাকসে য়ুম য়ৌদনা লম্বীদা শিয়োই হায়বা ঙমব্রা"? থোম্বাংশল্লকই মেম্মানা—অত্তিয়াদৈ তাৱকলিবা নোংলিকশিবো সিদা তানি 'হায়বা ঙমবব্রা"? হৈনিংদনা লেপ্লবা

[illegible] [illegible] মাংবেক্কী চাখোয় শাহুরা ঃ তকবলকী [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উপাকদো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খুপ্পু শিংথিবো 'শাৰ' [illegible] "[illegible] [illegible] [illegible] 'কয়না' সংসার [illegible] [illegible]' [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাম্মজনা 'খংবী বস্তু' 'খোইজিবগি [illegible] [illegible] [illegible] এই [illegible] সংসার কৌথিবনি"। "অহুবু ঈতা 'এ [illegible] লাইবক বীবী ওইরবসু ঈতাখোয়দি এজৌন' লাইবক-বী-বী ওইদুকো"। মতাই থম্মোই পূবা [illegible]। হিক ঃ কপলক্রে। "ঈতা নোংমা পামজনা থাজগে থজরবা উপাংদো ওসিদি মরু ফুরুবা লক্‌খ্রম তুরেদো'। থেমজনবাকই 'মখনা "ঈতা এম্মোইগুংগী হুংশিবা ওইবনদি লৈশাং খোঙ্গল শোযদনা লিরবখিগনি'। খোম্বাংশল্লবকই থাইবেম্মানা – "মীপুম খুদিংমকসু থাখিবা নংত্রা কনাংচাওবৈ মীখুৎনা থাংগদুনা মাসেমদা তা-বসু লৈরাং মায় লৈহিদি থম্মোই শেংনা পাংখিবে ফবা লৈহি থম্মা যাওজরি"। "ঈতা"! ঙৈহাক্কু অচাংপে সমজা ওইখ্রে। ঙৈহাক লৈরগা মেম্মানা হংজরকই — "ঈতাবু কৃতিক করি খল্লিবগে" ? বিক্ষোদা পাংখুম পীরক্কে। ঙৈহাক খল্লবা তুংদা ঈংনা তপনা হায়রকই; তায়রোনবা রাখংগী মহাল অমা; "ঈংগ এ শিঙ্খনা শশিকুমারদা লুহাংবা পাংমী"? মতামিংদো ওকপদা থম 'থেং-ঙ্গে। মঙদা উগদবা ফিদৌনা বুঙ্গা মী অশিবৈ কু অমা ওজিনী [illegible] পাইবঙ্গমথবে! মথোঙদৈ মায়ফনথোকখবী চোইজাই-[illegible] শল্লাংফল্লা লোৎলিবী বিমোলী মায়খোয়ু খাংজনা [illegible]

[illegible] শাইকক্লা [illegible]
[illegible] উমাগী [illegible]
[illegible]
ঙাদি। [illegible] মচাইদমক্তা [illegible]
পক্খোনিন,—"ঐখক্তা [illegible] মহুৎ [illegible]
বিত্র ও" ? "মচান্নু অরাংবা থাক্তা থাজংনিঙ্গবা [illegible]
মেম্মান্দা, "মচুনা ঙৈত্রাই পুন্দিদা কনি, কান্নগদগে" ? [illegible]
"লৈবায়না ঙাবাংনা শৌগংলি ঙায়হুম্না থিনা ঙানক্তোইদ্রাবে"
বিমোনা,—"ঙানগে শানক্তাম্বু অথিবা অমোংপদবু নোক্তলিংবা [illegible]
জনি [illegible] কমাস্ত হায়বীবোই। ঐনা মাংঙবা [illegible]
উমগদ্রা ? ঙশাই ইক্তংতি ইশানা কক্লগদবনি ! ঐবু মতৌপদু
লুগোং বিত্রব থৌনী যান্দুনা হেক্তা শিঙ্গদবনি ! মতাবু [illegible]
কুহন [illegible] ঙৈত্রথোয়বু [illegible]"। "[illegible]
পীল্লিংদৈ লোইনবকপনীনা ভিমোই মাতক, [illegible] চপ্ চাদ্দা [illegible]
"তাম্মো সরামনবু কুমীত্তুদা মাইদা চৎশি হায়। অমে মেম্মাও
নত্ সত্যমগা মুক্তা উমহল্লু"। থম্মোইগী [illegible] লুপথিবতনি।
থংজনব্রে; বীদায় তৌনবে। থম্মোই শোক্রা হিমো,—"ঙৈত্রাথোয়বি
ঐদৌনা লাইবক থীবী ওইহুকো। হুংশিনবমু কায়নহুকে। [illegible]
[illegible] হুংশিজবা মক্তাক্তগা পুক্তি নৈপুন ওইহুকা ঙৈত্রাথোয়বী [illegible]
শবদা থৌনিক্কগেকো লাইবক করীবী ঙৈত্রাথোয়বি লাইবক, [illegible]
হৈবয়কো"। "ঙৈত্র"! [illegible] থম্মোই [illegible]
ঐতৌন্দি, থোকলোই [illegible]। [illegible] বিমোবা থোক্তে

হয়েংবা কনাদা থোক্লগবা ? ঙৈগাক কপনৈ লাংনৈ. কান্নবদা য়ং- দে কায়নে মুংশি থুদম উৎনৈ মৈচাক পুনৈ অত্তবু মাংজরবা পুন্সি- দি কম্বা ঙমদে। মীনুংশিদনি মতেং পাংবা ঙম্বদি।

শিবাংনা রেপ থম লৈতনা শিন্থবকপনা নিঙোলগী মোন্দুমঙ্থ পুংলুপ লুপখ্রে। তুমথবা শুকয়া যাখিদ্রে। চিঙ্গা ঋারী শাম্নক তাখি, মমা মপনি। মকোক্তি তাহোঁদ্রে।

—"হায়বিবা অসিনদি নওস্থ নচান্নপাগী ঋাশি যৱেদনা লৈ- কায়না সমাজনা ঐখোযবু কবি ঙাংনবা ঈচাই ৱাফমসিদা খেৎতো- উবে ঈচাদনী মাংজগদবা"। গোপালস্থ মণ্ডল ২ খঙ্গে। মমানা "অহুনী ২ মী যাম্মগা ঋা যাম্মী পুন্নমক্কী ৱা লোয়না পুথাংব ঙমপোত্তেদা"। "পুলিস তাক খোত্তুনা কেস হুং চখবরুবস্থ লাইরবা ঐখোয়দনি অবানবা তাজগদবা অঙস্বগী ফুবিংখাও চোন্নবনি। তৌ- বস্থ সংসাবসিদি লাইববৈ মফম লৈত্রবনি। —"শানিগী মপাদ মৱল মথুমদা কুবেবগী পুক্কৈনি। লুপ্পা লিশিং তরা কুন চৎথি কোকৈক্ত শম্নাং অনী অহম ফোইদোকখিগুবনী।শামুনা মযাং কংডগা ইবোইমুক নোয হাযবহুনী। ঈচানস্থ পামজববনানা মনা মনিস নায়দনা থোক হেক লুহোংবিবদা কবি কায়"? মগুন ২ খান্ন "সমাজগী মীনোক মশা কিগদ্রা? নৎত্রগা ঈচাই খোংদ নায়দ হন্দোকদ্রা? ঐনা ৱাফমশি হৌদোকপদা ৱাজাধোলনা কৱি হায- রকপা"! তৌববৃদি ৱাজাধোলদি চেম্বা ইযামক য়াদ্রবনি। মুপী রোমগী যাকা ঙাইবনি। তৌববৃদি যনা ইনাকস্থ খুনসম্থ হুরাম্বন মপুদৈ হেম্না চাওবা থক য়াম্নোই। —"মায়পাবুং ঈচাগী নীংজবশি

থুংহনশিকো"। অরাবা মীনোক মোরুগা গোপালনা, — অসি ওই-রেকো হে নিঙে'ল পোকপা নিঙোল পোৎপদি ভৌজরকপা পাপকি প্রবৃত্তিচীঙনী। শিনরবা এহিরাকি লৈবাক্তে হেন্না হোংলে। মনীং থুংলবদে বোক হেক চারু থকনুরবদি অচাকপা মৈদা ঘী হৈজনং লমজগনি"। তেং হেক ঙাম্বা রাজাধেলখোয়দা চৎকে হায়রবা চপ্ চানা নিংখরে। ভুমৎবস্থ শুবন্না য়াখিৎলে বৈগীনো থংদে।

মতমগী য়াওন্না মৎমগী খোইমুই মপাও পুরকসনু, বসন্তগী য়েন্নিংলক্তা কোকিলনা কুহু কুহু খোংসনু, চীংমুংগী হারীগী নিং২ ত'ন্না কৌবা চেক্লাগী মখোলজেল, মতমগী মতম্না পুবকসনু খঙ্গোইগী কোকিল, আশাগী হারী, বাখলগী ঙাম্না পুম্নমকতৈ মায়ওনখরে। নত্তে অদোমবু নিঙোল পোকপা নৎত্রানে? নিঙোল পোকপে অরা মুঙাইদো মরক চুম্না অমুক্তা লীচুনা তাহনবিয়সে। মৈনাক্তা লেপ্প্রবদি মেশা থবদি শোয়দন ফংজগনী।

পুমহাং হাংভি লাইববৈদি," পুমফুল ফুন্নি ঈনাকথুনবৈদি। অ-রাংপা ঙাক্তা য়েংখিবদা, অরাংপা লৈত্তে উথিবদা। কন্নি খৌরে মীগী মী অমহানী!" লৈকোলসিদা ইমুং মচুংগী চিক্না শাবা রারী শান্নজে। 'ঙসিহ্ গোপাল অমদি বাজাধোল' চিক্না রারী-ওরি। শাশিগী মমা খৌরাগীশাখ অঙোম গ্লাস অনী পুত্নবা লাকই। ব্যবহারগী লোয়ননা, "শঙ্গোমদি ফানবীয়ু"। লাপুক্তা রারী শান্নবা তারা। মকোক্তি তাহৌত্রে।

"গোপাল সাইকেলপুন্না মুংশিবীবৈ ভাকপীবনি"। "কেস মুং চৎথরুরবস্থ কন্নি কাম্নপগে? নচা ঈচা ক্য-পুন্নরগা লৈকায়না খুং থিংজনহনা হৌনদেম্বা"। "হো হো অহুনি অহুনি মন্না মনিল

নায়দনা কোক হেক...... । করি হায়বগে" ? "অহুমক্তি এনা হেক পামজবস্থু"। চপ্ মান্নবা নোকমীনৈ। রারী তারখী থৌরাণীশাবীদো জ্ঞান তারমানে —"অহুদা লৈকায়গী মীনোক মীশা হায়বমস্থু লৈরিদো" ? গোপালনা,"মমা মপানা মচা নিঙোলবু অরাম্বা মমাক্তা থাজবদা করিগী মীনোকনো"। নমহৎলকই মপানস্থু "হেরা মুপী নহোয়না থংগোত্তেদা ঈচানা পামজবা ঈমৌনিনহে। অহুদি গোপাল বাবু অফবা মুমীৎ য়েংনরগা ঙসি হয়েংশিগী মমুংদা অফবা..."। "হোয় ২"। অনীমক হোগৎপা মান্নখি। হন্দকী মওংশি থৌরাণীশাবীস্থু হায়ফেৎ ঙবই। মচাই মায়োক্তা থুৎথীংজম্বা সত্যমগী মমাংদা লেম্নবা মাগী পামজবনী। "ইনাকখুম্ববু মুংশিরোইদবা লাইরবা কনা লৈবগে ? এখোয়গী য়ুমলৈ কৈরৈশিদা ওংনিঙোইদবা কনাই মচা মগুনোনে" ? ইনাকখুম্বশিংগী নাপল্লি চায়রম্বা পুম্বা লোয়শলখি। ঙসাইখৈ তাইবং মীগী মীনীল তাংবদা কিজবনা লোৎলুম্ববা খোইমুদো ছজিক্তি পাইথোরক্তনা লৈহি চুপত্রে। ও! ওহ! মতাং হৈরবা খোইমুই চিরোলদা পংজরবী লৈরাংশিংদো বিজুলি চিংবগুম্না পংথত্রেনেহে !!

বীশ্রাম

মথংগীদমক্তা থৌরাংজরি! তারীক ঙায়বীমু!
"চেক্না অনীসিঙ্গুম কায়দোংমীন্নশি !"

* ফজববু উরগা মুংশিববু কাওবীগম্নুকো।
* সনাবু অপেৎপা লৈখোমদা লংখত্রবস্থু লৌথৎলকপা মতমদ লংছুনা অহুমক লৈরম্মী।

অনীশুবা অঙ্ক

তরেৎশুবা শরুক

"নুংশিনবা হায়বসি করিনো"

নুংশিনবা হায়বসিদি নুংশিনবনি,
অশেংবা মাগী থম্মোইদুবুনি।
ওইরবোই নীংব্রা ইজ্জৎনা,
নুংশিব্রা নওদি ইজ্জৎতা॥

"থাশিন্নমদায়গী থাজসিন্থু মোংমদি শোয়দনা পুর্ণিমা ওইরক্কনি। অদুবু ঐগী থম্মোইগী থাজসিদি কৈদৌঙৈ পুণিমা ওইরক্কনি"। মঙ্গোমতৈ ঙাংংনি। ওসাইদৈ তুমথরগে হোৎনরিবা সত্যমগী মীৎ অনীদো চৈতেক অনীমা কাবা থন্দুমা থম্বগুমথে। মীছুৎথোংদৈ ফাওজল্লকইবা থাবলগী মড্রালহুদা উথি, মীৎলুগী পিরাংদি মণা মোয়মা চপ্পা চাইরুংদুদা চেঙ্খ-রক্লি। থোংদু হাংদোরকলি। খওবা অমা য়াওনা মীৎকী পি তৈথোকচৈ। মংলম্বা মংদো মীত্রংগুম্না মাংখি। হৈনীংদনা ভাল্লম্বঃ লেমটলদু লৈথৎ-তুনা মরু লুক্কা লাইরিক পাশনবৈ।

"সত্যম"! খোঞ্জেলচু তাবদা থংখি মহাক্কী মরুপ কান্তনি। লাইরিক্কো হানবৈ মফমদা লংশনখি। "ফম্মু চৌকিদুদা"। সত্যমদো মথায় মমীৎ ইপোম পোমলে। মমীৎমু ঙাশং ঙাংখে। পুম্নমক থংখি কান্তম্বু। "করি থবক্কীনো"?—"মরুপকী অবা পোৎলুমদো ঐগীমু

শক্তক থুংবীয়ু" করি কয়ম্বা য়াথলদা মক্তপু পোখাম্নীবগে। "ঐগী ফিভম শক্তেমসি উরগা খম্নবা ভমদ্রা? করি খল্লমগদবা মাঙবগে"। "হয়াও হয়াও খোইজাক চামীম্নবা ইয়োলগুংগী লেমলৈ অমাগী মপুংদা মশাদো মানা খোইজাক্কী মতুং ইনখ্রবদা লেমহৌবা লেমলৈচুম্না খল-হৌগদবা য়াথলচুমক খল্লমগদবা মাল্লি"। "অঙুক খংলবা মহাক্না খুম্নীংদ্রবা ঐত্তোমদৈ করিমুক খংনিংঙিবগে"? "প্রেমীক অমা ওইনা চুজিকপু কয়ম্বা থৌরাং য়াবীনিংঙিবগে"? ভৈহাক ঙকচানমৈ। পাউথুম ফংদ্রিবৈদা য়াহং অমুক লাকশনখি—"চুজিকপু মহাক কয়ম্বা মথলগী বিমোলিমিনি খল্লিবগে"? মাপল অমা য়াওনা—"ইজ্জৎন লুথাকলা ওইজরবস্তু মাগী অশেংবা থম্মোই ঐগী ইকমদদি সত্তী ওইরি"। "নঙ মহাকপু লৌশনবা ভমগদ্রা"? ইচং থৌনা "ভমগনি"। কান্তদো ঙকখি। "ইজ্জৎ হাগবসি করিমো হায়বদি খংজরব্রা"? শাওরুই সত্যমদো। "মুংশিনবৈ মফমদা ইজ্জৎ লৈতে। ইজ্জৎকী মথাদা থিং-চুনস্তু ভসিগী ভাঙশিদদি ঐ ইজ্জৎপু মুংশিদে"। তিঅং মংক্না ফম্বগুমখে।

"খোঙ্গাওমরবী লৈরাংনা মাচোম শেম্বা"। সত্যমগী থম্মোইদা লক্লবগুম থোকখি। "মুংশিনবৈদমক্তদি থ কয় লোংলুরবস্তু চিংনান লৌশম্বা ভমগনি"। "নশা পাখংনি ঙ্গাম তাও সত্যম"। "কম্না মাস্তু লৈশাকীগী ঐস্তু পাখংনি। অশেংবা ধর্ম্ম লৈবী মঙ খংজ্রা! খোঙ্গাওমরবী মীংথোল ফংজরস্তু মিতোলগী মমলদি মশানা পীখিরে। খোঙ্গাওমরবী লৈরাং নত্তে লাইবক থীবীনী। থরাইনা লন্মীগী চায়বা ওইশ্রবস্তু মশা পুম্বা ফত্ত হাওখীনা য়োমখ্রবস্তু, মাগীদমক্তা ইকাই

ইাক বাংমা লাম্না মায় পুশন্নবা ভমগনি"। "সত্যম"। "মুংশিন্নবা হায়বসি কৱিনো থংগ্রিব্রা" ? "মুংশিন্নবা"। "মুংশিবা মশক খংলবা খোইবীনা নোংবানবু তাথীখিবনি। খন্দা মোংবানগী খেন্নবা খংলব্রা ? মুংশিবা হৈরবী সবীত্রিনা থবাইনী খনখিবনী সত্যবানবু। মতম কয় ফারুরবা সতী-সীতা মশা শোকলমলোই থাজব্রা ? ওইথোক্কবনি"। "সত্যমকুমার"। "কান্তা! মুংশিনবৈ মফমদা অথীবা ফজবা, লাইর-ইন্নাকথুন্নবা থায়দে। অহুবু অবাংবা পামেলগী লৈমাং, গন্না থকী শিংেল খোঙাওনববী লৈমাং, মখল মখল থায়দোকখিগব্রা" ?

"মহাক লৈত্রবদি মণিপুর মুগী লৈত্রব্রাও"? "অপাম্বদি ...ইনী মুংশিবদি মাতমি, অৱংবত্তা মীহৌবা মৈরামবীদো ঐদি ...ঙ"। "তশেংনা লৌশনগে থল্লেনে"? "ঐগী লেংগ্রবা বাখলনি"। ...গী থম্মোইস্থু কান্তদো তশেংনা মুংশিখি। "নঙ লৈকায়গী মাংলাক মীশা কিব্রা? মীপুম থুদিংমক ইজ্জৎ ......। বা ভাংবা ...দিদৈদা মতৌ নীক্ক কম্না লাওখি—"ইজ্জৎ! ইজ্জৎ!! ইর্জ্জৎ!!!" ...লাওখিগন্নি। ইমুংগী মী তারমগজ্ঞা শায়ত্তুনা কান্তদো চিংনখি। ...নু তাজমন্থু পোম্বী চেক্লা অনী চিলোক্লবা তাদবা খংদবা য়াওব্রা? পু...ক পংদুম শাবা ভাক্কনি। তৌববুদি কোমোগী মঙালদা হিংজবা ...মাগী মঙানবু লমখাংগী মোংশীনা কবিগী কুপশন্নীংহল্লগে? ...মরুপপু তশেংনা মুংশিজবনি। অমস্থু মহাকপু মুংশিজবনি। ...মক অচুম্বদা অনীমক লাল্লবশি। অচুম্বা ভাক্কা য়েংনবদি কনানা ...র তৌবীনি?

"ইমুং মস্থুংগী মায় খুহনগন্থু; মো······"। তপ্না খেমলকপা

কান্তগী বাহৈদো সত্যমনা লাওহৎখ্রে। "ওক্রে ভোক্রো মৌ, হা···হা···" মতোমতা ফাক ফাক মোকখোকচৈ। কান্তদো ওক্লা য়েংঙি। "নহাক মৌগী অর্থ খংলব্রা।" ? মৌ হায়বদি মশানা য়ানা কংথোকচখ্রবা য়ুম্নাক শাগৈ ওনখ্রবা লুহোংখ্রবা মৌদু মৌ কৌই।

ফাক্লুমনা থা কয়া লোৎলুরবসু মৌ কৌবা য়াদে। মদুদি তুহৎপীবনি। অশোকবাবু অকনবনা তুহৎপনি।" "সত্যমকুমার" "মপান থোংগী মীয়েংদা সতীগুম্না উজ্জলবসু, লৈখোং শেংদবী শিঙেল চিগোংলৈগুম্বী কয়া লৌবদি চীংচৎ থীব্রা ?" অচুমবৈ মমাংদা অরামবনা কেপ্পা খর ঙমদে। "মরুপ কান্ত ঐদি মাবু তশেংনা নুংশি। ঐ মাবু থাদোকপ ঙমলোই। বিমোলিনি য়াওদনা সত্যগী পুক্নি হংবা ঙমদ্রোই। থৌদোক অদু তম্না পল ওইদুনা থাদোকপা ঙমমোই। নুমিৎতুমক্তদ ঐদি ঐদি চৎশি হায়খ্রবনি।" "সত্যম" ! 'কান্ত' ! শজিবুই থা জুন্দা তে দু লমজাওদা শাদমবৈ হৈহুন্দা থেংনখিবী ফৌওইবীগী মফমদা অকোংজা নুংশিবদো ঐগীদি নস্তে" !

মৈশাগা তিম্নরবদি পেৎথোকপা অয়িংবগা তিম্নরগা কনশনা তশেংনমক মীওইবৈ পুকচেলদি খীগুম্বনি। মীহুৎথোংদা ফাওজন্ত্রক ঙসাইগী থাবল মঙালদো হুজিক্তি লৈরমদ্রে। মতমদি ঙাক্কা ঙাইবীরমদে।

নীপালগুবা শরুক

"পোক্মীন্নবা ঈচল"

সমাজগী মীনোক চংজরবসু,
থোঙ্গাওনবা পল গুইজরবসু ॥
লেপ্পীরবদি নঙনা ঐগীদমক্তা,
করিগী লেপলোই নঙগীদমক্তা ॥

মেম্মাগী খূজিল থোৱাংদৈ থম্মোই অনীদো থেংনখি। কায়রবা থম্মোই অনীদো কাহুদা লংশল্লগা হৈ শিংনা মেম্মাদো কাদো থাদোকখি। পুন্সিদা অমুক্তা উন্নরোইদগুম য়েংনখি। থম্মোইগী ঈরমদো মীংলু ফাগুদুনা চপ্পনা চাইরুং অনীদুদা চেম্ন্নরক্লি। লৈখোক্তে থদংখ্রবী শিংডেলদো মহাক্তা থৱাইবু থদংখ্রবা প্রেমগী ঈৱীক শিন্নুনা লৈখোক্লা ।হনা হুম্মা খাংজবগুম, থৱাইনা খোঙ্গাওনবী মীংথোল ফংবৈ অৱা পাংলুমদো বিমোলিনিগীদা নত্তে সত্যমগীস্নুনি। অমুতাপলক্তা কায়-বা থম্মোইদো চিলোক্লে। "বিমোলিনি"! মুংশিনা সত্যম্না কৌরুই। তবাৱবী চিঙ্গানবা "তাম্মো"! মহুম খাম্বী মৈহৌরবা চেক্লানা মতু মান ইপোম পোম, মমীং মমা ইপোম পোম, তুম্বক তাশন্দুনা লৈজরবী বিমোলিনিনা সত্যমগী ৱাহং লক্তিংদৈদো তনহন হংজলখি, গুজিক তাম্মোবু করি খমবীগীবগে"? ইচং থৌনা "ভসিগী ফিভমশি তারফাও ঐ নঙগীদমক্তা চিংগুম্না লেপ্পী। চংশি ঐগী তুং ইল্লু"।

সত্যমগী থম্মোইদো ঙমথৈ লৈতনা থাগৎখি। য়াঙ্গী'দবা মওং উত্তুনা হায়রকই। মীংঙমদবৈ পীরাংদুনদি থকখিদ্রে। "অয়েম্বনি তাম্মো অয়েম্বনি! পুন্নমক অয়েম্বনি। খোইমু কনা ঙংদনা খোইমু ঙলে পাউখোংদবা লৈমম চেন্নবী লৈমম চন্দনী লৈখোইক্কে থদংপীরবী লৈরাংনি ঐদি"। "বিমো"! "ঐ তাম্মোবু ভশেংনা নুংশিজবা মীশক অমা ওইনা তাম্মোই মায় খুহনবা ঙমজরেত"। "মতুম ঐবু নুংশি হায়বদি কয়িগুম লৈত্রবা শাজদা শকপা মায়হিং অহইদমক্কা ঐগী লম্বীদৈ লমংলামবী অমা ওইরগেরা"? "তাম্মো! সনাজগী মীনোক মীশা কিত্রব্রা"? অঙাওবগুম ফাক ফাক নোকই। ইচং খোমা "সনাজগী মীনোক মীশা লাম্বা পাগদবা ঐ লৈরি। মীদেক মীশা কিবদৈ নুংশিনববু ফাগী ভাঙ্গলগদ্রা"? "তাম্মোবু ভশেংনা নুংশিজবা মীশক অমনা তাম্মোই ফজুমবা শিল্লগদ্রা"? বিমোলিনি! বিমোলিনিদো হিক হিক কপ্লকলে। মা ঙাংবা থোকখিদ্রে। "শোংমা থনজরম্মী তাম্মোই অশেংবা পাংপল্বানগী খোংলোই ওইজগে হায়না অদুবু ঙসিদি……."। সনগৎখে। থংনীলব থম্মোইনা "হায়নু ঙসিদি কৈদৌরবা বিমো"? "মমাওগী পুন্সিসু বসন্ত ওইরম্বা থোক্লবদি নীংজবসি থুংনমগনি। ঐগী পুন্সিমা লৈনীমথৈ তাম্মোই মায় খুহনবদি শুকঙম ঙমজরোই"। "মদুমা নহাক্কী করম্বা বাথল"? "লেপখুবা ঐগী বাথলনি"। "লেপখুবা ঐগী বাথলনি"! শোম্থাংনা শোনখি। মা-শিংলবা মাকোংদে ভাহৌরমালে 'উম'।

সত্যমদো শাওরক্লে কলপ্না হায়রকই—"অহুদি হায়রু বিমো, মতুমবু ভশেংনা নুংশিজবা মীশক অমা ওইনা অশেংবা নুংশি থুদম

অমা উৎপা পাম্মী। লাইরক থোরী মঙগীদমক্তা প্রেমীক অমা ওইনা করম্বা থোদাং লৌ হায়রগে? মহাক্না অপাম্বদুতং পাংথোকপনা মুংশি লৈপুন শকপা ওইরশি”! বিমোলিনি কপচবা মতমা উপায় লৈখিদ্রে। লোম্থোক্লবী মীওইগুমখ্রে। অচৌবা লঙ্কাওদা বোম থাদরমদায়দা কোন-মুংদা লোৎপা মীনা চোকখোক লাউখিদবগুমখে। অচিকপৈ সমত্রা ওইখে। উয়ুং অমী খিমবগুমখে। খোরাংলবা থম্মোইনা ভকশনখি ‘হায়যু মঙগী অপাম্বা অনৌদি? অহুগনে বিমো মতমা অসিমত্তংদি কাওগন্নুকো ঐনা মঙবু মুংশিজবাদ মঙগী অশেংবা থম্মোইছুবুনি। পীনক্লিংদনা মমদুনা থক্লখিবা ঐস্থু খংডি। খোঙ্গাওমররী ওইরস্থু ঐগী-দমক্তা লেপ্পীরম্বা থোক্লবদি পাখংগী মুংশি মশকস্থু খংলমগদবনি”। “ইপোক তীনজররস্থু ক্লাতু তিম্নদবনা ভসিগী যুগভদি অদোমগী সেবা কৌজবা ফংজদ্রে। হয়েং কৌবা যুগভদি অদোমগী অশেংবা থোংলোই ওইজগে। ভসি কৌবা যুগকীদমক্তাদি মচলদা হন্নাও হন্নাও বীদায় পীনাযু”। “নীদায”! মনাকোংদে মেনশনজে।

“ঐবু তশেংন মুংশিনীরদি ঐবু ভাম্মোই হেক পোকমীম্নবী ঈচল অং ওইনা খনবায়ু”। “পোকমীম্নবী ঈচল”! খংনীং নিংশংলকখি। লাম-ক্লিবলই ফম্বাক্তা ক্লাসকী চিনবানথোংগী বাহৈদা “ঐনস্থু মঙবু এ হেক পোকনীম্নবী ঈচল অমগুম্না মুংশি”। হায়রকই, “মোংমা মনাী খাভা ভোইদা ইশনখিব বাহৈদুমক ভসিদি অশেংবা ওইবা ভাররা”? বিমোলিনিস্থু খংনীং নীংশংখি। “ভাম্মোবু অফবা মী অমা ওইহন্নীংদুনা রাম্নকচখিবা কয়াদো কাওবীরত্র”? “করে ওক্লে হোক্লে”। “নীংশংনবা কাওনদবতনা অশেংবা মুংশিবনি। হকচাং

পোলাংদি মীগী ওইখিবা য়াই। অদুবু আম্মাদি নঙতেনি"। "করে অহুমক্না অপেনবা ওইরগে ? অদুগা ঐনা নঙবু থাদোক্লগা নঙগী পুন্সিনা শান্তি ফংগদ্রা" ? "ফংগনি" ! "ফংগনি" ! "উম"। "নঙগী য়াইফবনা ঐগীস্থুনি"। হয়াওবা থাগৎপা, অঙকপা অমদি মুংশিবনা বিমোলিনিদো মুংশিংকী ইপোমদা তাওখে। কংমোক মোকপা মায়থোংনা বিমোদ ওনশন্দুনা "নহাক্কী মীংবা থুংনবৈদমক্তা নঙবু হুজিক্কে হৌনা পোক মীয়বী ঈচল অমা ওইনা থল্লে"। অঙকপা অমদি হয়াওবনা থুমহৎ-থিদুনা ইকাই-কি হুমজেল্লুনা সত্যমবু থদৎকদবগুম চেজেৎ কোমশল্লি। মুংশিনা মীৎকী পিরাং তৈথোকপীদুনা মশমদা মাল্লবী।

"নহাকতৈ মীংবা থুংনবৈদমক্তা নঙবু মুংশি মুংশিনা বীদায় পীরংবনিকো। নৈনানা চোয়না কেনখ্রবস্থ নীংজয়প্ব প্রাতিশানা মংলান ওইজরবস্থ থল্লু মীংলুবা আশাশিগী মৈচাক্কি পুন্সিগী মুৎলরোহ কনাবুস্থ ঐগী পুন্সি খোংলোই ওইরোই"। "তাম্মে" ! কোল্লখদু ওং তপ্লা থাদোক্লুনা "চহি কয়াগী মুংশিনবা মীকুপ অমদা কায়নবা হায়যু নঙগী মৈড়াস্থ নঙনা মুখৎচরবশিনা করম্না পুন্সি লম্বী চংবে থল্লিবগে" ? "তাম্মো নচলগী পুন্সিবু কনজনবৈদমক্তা ঐবু শাশিকুমারদ লুহোংবা হায়না লেপ্পরে। নচলবু বর পীবায়ু"। লাওখি—"বিমোলিনি" ! মচিন তুম্বা চৈশাংনা হুনজন হুনজন থীনবগুমখে। শাওবন ফি ফি কামখে। শাওবনা হেনখিদুনা মুমীৎ কয়া চা থক্লকত্রে শরুদ উমশানা কুপ্লবা তবয়াবী থজায়দুদা য়েৎ ওই চংদুনা থায়ম্মী। ভংদুন "শিভেল চিহলথাওগী শক্তেবু কনখৎপী সমাজগী মায়থোংদা মাইতি তৈশনবী, ওক্তবী মুংশিনবৈ মফমদা লাংথাকপী মচুহৈদমক্তরা নঙন

ঐবু উমবা পাগলিবা"? পাওনা ফং কর্ণথোক্কুনা থোকখি। সুংশা থীনা থিমোন্নিদিনা ফাকৈ। কর্ণথোক্কুনা "থাদোকউ ঐ হাসিদৈ হোৎলতুনা সুপী খুদিংমক লিন্দুনা হায়না হল্লবনি। মী অমবু মৈথক্কা ভোরগা মওগী থম্মোই পেমত্রা? চিন্নাম থোংদা লাংবম থোইহি তৈবী থম্মোইনুংদা হু ফুংগী"। "তপথবীগু তাম্মো"। "মসিদা থোক্লবৈদমক্তা শিল্লিবা মত্রা? মমাগোমগী শমো মও করিগী থংভোই। ইমাকথুনবা লল থুম মীহৌবী শেলগী ময়ায়দা সুংশিবী হৈবী"। বিমোলিদিদো তশেংনা মখোল থোক্কা কল্লক্রে। "তাম্মো"! "মৈথক্কা ভোবা ওক্কতুনা মৈগী কোমদা লংথগে খল্লিত্রা? অওকপা পুকচেলদি থাগৎলীজাইদি"।

"পুকচেল অহুক চাওবা মহাক্না করিগী পুকচেল অহুক থুনা ওমবগে? মচুবা ঐবু পোক্লীমবী ঈচলগুম্না সুংশি হায়বদি"। শোম্বাংনা "পেক্ম মবী ঈচল"! খুদক্তা সত্যমদো মচু অমা ওলখি। মতোমতা কংনোক নোক্কুনা "হাদা চেক্লা মমাংস্থ লাং মতুংস্থ তেল, পাখংবৈ চোকথমবা দুং অমীগী মমক্তা হা! কদোমদৈ মোংহৌমো। লংলবা শাজে মঙালসে মীত্রংগুম্না পুম্মম হেক মমহললিদা"। মুত্তি চুম্না কেপ্পা ডমশল্লকত্রে "তাম্মোগী ঈচল অমনা চম্নদনা পৎ পুমচুনা মাংখিবা মখুং অমা ওইনা য়েংবা ঙমগত্রা"? "ওইনচাওবী শাবী শামো, থোৎচা মোক্লবতম পকচবা পিয়াংতনা মাইহিং, মোমোনতনা লৈতেং পুম্নমক অমুক্কী মোংহৌ? ব্রজা কোটিগী অমা শোংলুম পাংনা পাংনা তাংলবা চংনা চংনা তুল্লবা? মক্তে মওশাল্লনে লিল্লাসিবো"? "তাম্মো"! "ফরে ঐ থকৈ, ঐনা ঙাংখি শকখিবা পুম্বা মখুং অমা ওইনা ঙাক-পীয়ুক্কো। ঐগী লাইবক্তা তম্নখমনি ঐ কনাবুম্নু থিন্দা তৌজত্রে।

লাইমবা নবুংগীদমক্তদি কবিস্থ লৈজদে। মঙসে ঐগী পোকমীন্নবী অমোৌবা ঈচলনিকো।" চিংচেপতৈ হায়থরকপা ঈকুৎকী লাইজগুম সত্যমগী মীৎলু অমীদৈ হায়রক্রে। তপ্না তপ্না কাপ্তদৈ মখোং থাংদোরকই "কাওসনু ঐগী পুন্সিদি ইতোমতনি। অদুগা বিমো মুপী ওইনীগী ধর্ম্মদি মপুম্মোইবৈ য়াৎং ইনবতনিকো। মঙগীদমক্তা মুংশিনা বীদায়।" তপ্না তপ্না চৎখি,—"মীংথিজরব, লৈকোলসিদ মতম চুপ্পদা হন্নাওনা জগোয় শামিন্নরম্বা লৈবাং খোইমু। শকওনবা খেইমুনা খেইমুই মছুৎ শিল-লক্লবদা লৈরাংগী থম্মোই মুডাইগদ্রা? কবম্বা থম্মোই খোইমু ঐগী থম্মোই ওকলি। ব'হুনা উম্নবা মায়খোং শুমখে। খোইমুগী চেংথাখোল, লৈরাংগী ইন্নাওখোল স্তাবা ওমলিত্রবে? কোনশা'র মুংশিবা কায়নব' ঐদি লেপলি খোঙ্গাওনরবী মায়দমক্তা, কেম্মীরনা খোক্লবাদ মানস্থ, কদায়ফাওবা মুংশিবগে ময়েক তশেংনা খংলমচদ্রলিকো।" "তাম্মে নচলবু ঙাকপীয়ুকো।" থোংজিলদৈ মুংশিনা ওমুঙং য়েংলম্ম' অয়োইবা মীয়েং— "ঙাকপীগে হায়গদবনি। ঙসি পোকমীম্নবী ঈচল অমগুম্না খললবস্থ হযেং কবিগুম্বা মতম অনদ, লাইবক থীবদৈ শাশি কুমারনা কাওথোকপীরকপা থোক্লবদ ঐগী খোঙ্গুল লিরকউ। মঙগী মায় ঙাকপা ঙমগনি। নহাক্কীদমক্তদি মতম্মপ্পদা খোং লাওনা হাংলি।' মীৎকী পিরাংদো উত্তুনা — "লেপ্পা লৈতনা চেম্পুরকলিবা পিরাংসে অতৈ কনাই নত্তেকো বিমোলিনি।" তপ্না তপ্না কাদুদৈ খোং থাং-দোকখি। অমম্বা তসবীরগুম মীকুপ্পনা পুকচেল চাওরবা সত্যমবু মীয়েংগী রাংমা লামদ্রিফাও য়েংজহৌই। মচিন্দা শোমদোকখি,—"হন্না মনি মুক্তামি থন্দুনা চেমশিনজরুবা থাজৈ মডান্দা শাশরবা অহিংগী

ক্লা ওইরম্লবা? থাজদি থাবললৈতদবী খঙ্গরম্মী অহুবু মোংইন মাস্থ পুরম্মী। মালংবদি চেক্লাদৈ ওইরবোই থল্লুই শকউদবা পোম্বীস্থ পরম্মী। লাংথুনীগী শাদোংদি তাইরেলতা ওইরবোই মীংঙুই। লৈহাও স্থ ওক্লম্মী। মীৎলুগী পীক্লাং তৈথোকচৈ চোইজায়নরবা শল্লাং হগৎচৈ।

মাপলত্তবা শরুক

"ঐসিবু ছাত্রনিকো"

ইহৈ কাওখে, নুংশিনবা হৈরে,
নুংশিনবান উৎলে, স্কুল কারে ।।
তাং তোরংদ্রে; অশেংবনি থংঙে,
অচুম্বা ওইরমলে. নুংশিবনি হংঙে ।।

"ঐ চপ চামা থংভি কমাগী থোইনশল সক্রে। অশেংবা মাগী প্রুংগী বাদি। কমম্বা থোদাংমো পায়থৎকে থল্লিবা।" বাংলবা ভ্যগী বাথলমা লাম্বা ফংখিদ্রে। বিমোলিনিগী থম্মোয়বু নিন্দা তৌজে। শিন্দবা চিমবানথোংগীনি থমখি। মুপী থু'দংমক থাজখিদ্রে। "শাশিবু শেংমা নুংশিবা ওইরবদি মহাকী প্রেম ভিক্ষা করিগী হাপত্রি? ন্নিগীদমক্তা ওক্তবী মমাতোমবু অমুক কৌশল্লীবা? অহুগা গোপালগী স্যাইনা কমম্বা ইবেয়াইমামা কমম্বা? সত্যমদো বাথলতমা মশা পুম্বা মখে। "বিমোগী অক্লবা বাথল অমা লৈ।" হায়বা থংখি। বিমোগী "জেল থোম্বা সত্যমস্থ ময়েক শেংমা থংভি। ওদি ওমোংদা তিমরকপা

মন্ত্রে। থোকখিবা থৌদোক খরা খংমীং মীংশংলকখি। সোয়ায়েলন কোকথক্তা মন্নুবদে হেম্না বাগে। অয়েংবা অমদা মীফম হোংখত্রে মীৎতি ভরং ভরং পাংলি। ইঙা ইঙেলদা পাখোক্লব পুখিগী লাইজগু মীৎলু অর্দৈ মুংশি উ-পা লাইজদো কুহলবা মীৎলুদে পাখোরক্তু খজাই কাওনা শন্নাংলক্তা চেপ্পখি।

"কর্মিগীবো মঙনা অদুক য়াম্না লাংঙিবদুবো মঙনা খরা হায়রুনা হেক হেক হংবনি। হয়াওন হেক হেক থুম্মীমকউ মঙ থওইদবা উমগা ঐ য়াম্না ইকাইজে।" মোংমা হায়কুলগী পুন্সি বিমোলিমিনা ঐগী খডা ভোইদা ইশনখি। মতমদুদৈ হোনা ঐখোয় তিম্নবা হৌখি। ঐদি মহৌশাদৈ ক্লাসতা লাংবা ফাগী জোগায় তোব য়াম্না পাম্মী। ঐতনা কাংবমি। ঐগীদমক্তা মতম চুপ্পতা বীমোলিনি য়াম্না বাবী। ঐঙোম্দা তত্তনা বায়কই। ঐমসু অচম্বা বাদীদা চেপ্প য়াওখ্রবনি। কৈগীনো খংদে হাপ থাখ্রবসু মাদি ঐগী মাক্তে সুক হেনদোক্তে। মা কায়ক্তবা মুমিৎতুদি ক্লাসতো পুমহাং হেক কাংড খাত্তা ভোইদা বায়রুবৈ কয়া ইশনখৈ। মোংমনা অমা মোংমা অমা য়াম্না লুনা তিম্নখি। মতম চুপ্পতা মুংশিনা য়েংবা মীৎ মরী থেংগাইনৈ

"সত্যম"!—"লুম"!— "বি, সি, এ, ত্তি হায়রীবসিবো ক হায়রীমো হিসটরীগী বারী পারুবদা থেংনবা জাৎনি। মতমদুদ ঐ মসিগী অকোইবা বাকৈসি তশোংলমক থংঙমদে। ঐ মায় ঈচপমু ঙাংঙি। কলক মাংদা চাং তাবা হায়রু হেক থোকলে। কয়ম্না নৈ শিগে খল্লি। মকৌশাদৈ হৈরসু হৈত্রসু অহৈবা য়াম্না শাগল্লি। মাম য়াম্না তিম্নবনা মরম ওইহনা ঐবু উশিংতে। ঐনা খুমখি মুম্না খর

তুংদা অদুবুমো ঋিমে৷” ! “উঁ৷”। “ঋি হায়বসিনা ঋিমোলিম্বু, সি মনে কিহম্নব', এমমে অমৌব', ডি-মমে ধমকা। ঋিমোলিম্বু কিচম্নবা অমৌবা ধমকা”। পাইরকী লৌশিংচুদা ঋিমোদো নোকথোরক্লে। তশেংনমক কমা থংদনা মাবু ই দাম ংঙ্গোইদা সুংশিজবা হৌখি। ঐতমা পুকচেল মাংজরব্রা ? মাগী মতুং মতৌমা মোংযা মোংমৈ সুং-শিবৈ থাক হেমগৎলকখি। অদুবু মোংমতসু থক ফোংদোকলুদে। য়ংম্না তোংনা তিম্নবনা ৱা ঙাংবদা ইকাই হঙ্গোইমরক্লে। কৈদৌনুং-দসু ঐগী লম্বীদৈ মাস্থ মায়ওনখিদে। এনা হেক হায়রিমথৈ হোয়। থাক্লে থাবলদা শাৎচবা থাবলগী লৈম্বাং থাবললৈনা থাবলবু করিগী খুমফরোই। থাবলতবু ঙাইজবনা থাবললৈগী থৌদাংনি। থাসিই থাজ শাক্লব মতম কযা উররোই থমজবগুম ঐসু স্কুল ছুটি থাখ্‌গা মথংগী সুনীং ঙাইবদা কয ৱাংজখিবা মোংমাইক্ত ছুটি থাকনি থম্বদা কয়াদা লৌপ হজখিবা পুম্নমকসে বনামৎতৈ নৎকো।

“ঐগীদমক্তা ৱাবীমীনা মও অসে ঐগী কনাদো” ? মহাক্ত ইরকপা হৌওদা শাওনীংঙ্গনা মাগী ঙোইদা ইশকখিবনি। কুইদে “সত্যম নত সুন্দু মঙসি ঐগী হেক পেক্মীরবা ঈবুং অমগুম্ন সুংশি অদুম্নি” ! “শশেংবা থম্মোইরা”। ইতোমতা হ কৈ। ঐতগী পুকচেলনা ফংব্রব্র ? সুপা ওইনা পোকখিবনা ফোংদোকপা ঙাইবৈ ৱাফম্ন ? ঐ মাগী ৱাখলদা ৱা দুম শারম্মী। ফোংদোক্তনা সুংশিবা মপাল শাংতে মহৈ য়ামদে। ঐদি মাবু ঈচল অমা ওইনা থনদোকপা ঙমদে। ইরুই মাগী তোইদা “ঐনসু মত্তবু ঐগী হেক পোক্মীমবী ঈচল অমগুম্ন সুংশি”।

মুংশিজবী মাগী মাক্কা হিয়া-মুক্তাম কৈদোনী। থম্মোই গুবা তাগুপ্ লশ্ম্য চয়দে। মিংথোগী শঙ্গাই মাপীগুম্বনি। মুংশিবমা পীথকপা ঈশিংদি খোংবানদৈমক ওইরবমু লাংবম খোইহিমুক থুমই। মুংশিবমা লোল্লকপা চাদি থুম থাক্লফাওথুম্মী। লৈরাংগী লৈমমদি মখোং য়াংবা মালংবমা পুহৃন। খোইমুই মাতোলদা যৈরুরি। অমুক খোইমুই মপাওবু মাল্‌ংবমা পুহৃমা লৈরাংগী মাপদা য়ৈরবি।

মোংমা কোল্লেজগী লক্ষীদা বিমোমা "নশম শাংমা থাকহু শম থাক্লবদি মুংশিদে"। ঐমা, "শম ককথৎলবদি মুংশিগদ্রাও"? ইকাই-দুনা মামা লৈথোকখিবা। "ভাওংনমু ওক্কবা লক্ষীদা চৎকমু মঙগী জেকেৎতু লিংবমু গুন্দা মাল্লি"। মথংগী মুমীৎতা মতম কয়া শাংমা য়োকচয়ক্লবা শমদো ককথৎপদা হায়রকখিবা "অস! য়াম্ন ফজরে। লুহোংলমদাই মংল্লে সত্য"! মীং লংথোক্কমা ঐমা "হু! ঐবো"। "উম অহুম্না তৌরবদি কয়া মুংশিরে"! ইকাইদুনা লৈথোকখবা মায়ংখোংদো কয়াদা যেংমীংনা যেংজখিবা।

কাড্রই মপান্দে শীওলমা খোং দং দং থীল্লকই। কৌরকই কম্না "সত্যম! সত্যম"! সত্যমগী মঙলানদো হাংলবা মালংদা তিনখে। ফুক হোগৎলি। পাথংগী মোমদো মঙগাবকপৈ মোমদু ভায়খে। কপ্লতদা মমায় মমীং ইপোম পোমলে। মরম থংলবগুম হংখি, "হয়েং মক্রা বিমোলমিগী লুহোংবসে"? হায়রকই সত্যম্না, "লৈমম চেন্দবী লৈয়াং প্রেক্রকলৈদস্থ লৈমম চাওবী চিনিচম্প্রাগা পুম্না মাগোম শেম্লবদি লৈমম শোয়দমা মমগমীকো"! —"সত্যমকুমার"। "মৈমি থংমা মেৎলুবা হুজিক্কা মৈপা ফাওরকলি। ইহৈদা পূক্লিং চংদবা ঐগা

তিন্নবা থাদোকলো। মহৈদা পুক্লিং চংলো। মরুপ ওইরবস্থু ফত্তবা মরুপকী মতেংদি থক পাংবীরুম্মুকো। মুংশিনা কৌরুই শীতলমা, "সত্যম"।

বিমোদো শাশিদা লুহোংদোরে হায়বসে থংদবা তাদবা য়াওখিদ্রে। থীনা ফজনা ঙাংননা কোক্লায়নী। অফা ফৎতে মীবাতনা পীক থমখ্রে। চন্দক মরকসে বিমোদো থবায় য়াম্না নুঙাইনা লৈবা উই। শাশিকুমার-মুনী। সত্যমকুমারদি ?

অম্মুম্না ঙাংবৈ মফম খুদিংদা, "শাশিথোই ইমুংদবু ওংনীংলোইদবা বনামোনে"? কনানা "অদু ওইরবদি সত্যমগী মতুং ইন্দুনা কৈদৌবে অমুক লাকইবা"? "য়াম্না শিংবী নুপীনিদো! কনা হায়বনি শাশিনা সত্যমদৈদি য়াম্না হেল্লি"। "সত্যমগম্মু পৎ তৎথৈ মুংশিনজবনী"। "মমা-ভোমহনবু অমুকম্মু কৌশন্দুনা থমলে হায়নে"। "মায় মীংজবী অমা লৈ-তৌরিনী"। মথোয়গী বারীতনা পোথামখ্রে। কৈদৌঙৈনো বিমো-লিনিগী মীংজবসে পুমথুং হেক থুংগদবা ?

তম্নাঙবা অরোইবা শরুক

"কলি যুগকী সতী"

মাংলবা পুন্সিদি মাংজরসনু,
কেম্নবা শিঙ্গেলদি কেমজরসনু ॥
ইজ্জৎকা থম্নাইগা ওন্নরে,
ইজ্জৎনা ইজ্জৎপু কঞ্জরে ॥

কোয়্নৌ, থাজ থম্নামদো কায়রবা থম্মোই অমীগী অনুতাপকী ইন্নাও-খোমদো য়েংমীং তামীন্দ্রমালে য়াহৌরকপদৈ কৌনা অতিয়া মকোংসে অমুবা মোংমা পুমকুপ কুপশনখ্রে। অমুবা নোংম খুরক হাংদনা কুংমা শুক্লা শিনখ্রে। অদুবু থম্মোইনুংগী মুংশি মৈচাক্তি হেন্না চংদ চাকথৎলক্লি।

থুমন শুরু ওইরকপগা লোয়নমা অহল লম্মম পুরমক মন্দলগী লৈতেং ওইররে। অমা লাক অমী লাক ঙসিদি বিমোলিমিখোয়গী শুমাংসে মীগী সমত্রা ওইখ্রে। অটমপোৎ ময়াম উবদা মীকম হোৎ য়াখিদ্রে। চিপক চিপক, চিবোল চিবোল বারী শাক্লে। "সম্যাংসু মায়দমক্তা লেপ্পী হায়"। "শাশিখোয়দা লৈমীংদনা হেমামি পাঙদর মরক্তা ওন্নীংদবা কমামোমো"। "হাম্নদি য়াজরমদবনি পোৎশেম যাদু তৌশনখ্রবা জাৎনীদা"। "মমা হিংচাবী অদুমা থাবৈ থন্না হেক শাবনি"। কমামা, "মচাবু মৈয়ক্তা লংশনবা মমাহুদি থাংমা চগৎ চগৎ য়ামগদবনি"। বিমোলিমিমা মমাতোলবু কৌশন্দুনা লৈমীন্নখিবা লৈকায়মু ওকই।

লৈকায়দা মত্তে বিমোলগী মপা গোপালন্থু হায়কেৎ ঙকই। "ওম্সু ঙন্মীবে মমায়দু লুখমদা পামমানেমে অমুক লাক্কু্না লৈজরশম্বদনা"। "হেক্লা ঈবেম্মা মচানা চং্না কৌরুবা ওইরমানেমে"। ইথোং চান্নদি মেনবা ঙম্মী। মীচিল অমজি মেথ্বা ঙমদে হায়বত্ত অশেংবমী।

বিমোদো কল্লা অমৈ চপ চাবা মওঙ্দা লৈখ্রে। মহাক্কী অমাবা উবীরীবা হায়বদু মত্তা অঙ্গমত্তা ঙায়খ্রে। বাহৌরকই মেক্মানা, 'ইতা! ইতাদি ইতাম্না পামজবা মীংজবদু থুংঙবনীনা চপ চাবী মপুরোইবৈ হায়বী ইনবী যুমগী মৌ অমা ওইযুকো"! চাম্নজবী মতাম্না বর পী। লাক্কোনিম্না, "ইত'দি মী'বা থুংজরেদো ইত'ইদমক্তা বাজরক্লবা মহাক্তি"? "ঙসিদি মাগী বাম্মীশে তোক্লশি। মহাগী মতমদা ঙৈহাক ঙাওজরম্বনী থন্দুনা থাদোকলগে। ঐগী মীংবা থুংত্ত্রি"। "ইতাই মীংজবা থুংদ্রিবা"! চুক্লা মত্তাদো চপ মান্নমা হায়খি। মীয়েংদা চম্না উজরবন্থু থম্মোইম্নুংদি সত্তামগী মুংশি মৈচাক্তা লাও থোংনা চাক্লক্লে। ওমদুনা থম্বা ওমত্রদুনা মাংলু অমীদৈ লাইজা শিগ্গরক্লে। শুমাংগী ঈশৈ মোংমাই পুং কোর্তামগী থোঞ্জেলনা বিমোগী তেংথাথোলদো কমাই শাপ্পদন্থু তাহনদে। মোল্লবা তেরই মোন্দুমদো তিম্মং মতোলগুম্না তুমখ্রে। কবি বাখলদৈদো মশাদো হুমাং অমম্বী কাথ্রে। অমুকন্থু পিম্মাংমক্কু্দা মোমোম মীনোক খেংমৈ।

মতম য়োরমালে, পেল্লবা থম্মোইদো বেমঝাই বেমশুমগী থোঞ্জেলগা তিম্নদুনা লেমরক্লে। অউবা কনামা ইস! ইস! অসিতা ঙাংমখে। লৈবাক কুইম্ম ওইখ্রে। হরাগাড়ী মশিং থিবদা থদাং চোকপত্তা মত্তনা মশিং কাওখ্রে। ইনাকথুমবা ইমুংদৈ তৌথোকলকপশিদি ইফদা ফজখ্রে।

লাইরবৈ মোংয়াহিদৈ হেন্না হোংখে। বর থোকখিদুনা কন্যা ভুংথিল্লক্নে। নুংশিরবা ক্লাবনেক্কী শুর, পুং কোর্তামগী তাম্থ'দা বিমোনা শাশিগী রুকোইবদা কোয়দুনা লৈরাং খুজোক খুজোক চাইবা হৌখে। হকচাংনা কুণ্ডলি ময়ায়দা লেপচবতনি আত্মাদি সত্যমগী মাক্তা লৈদুনা নুংশি মপাও তম্নরি। ঙসিগী লৈরাংসে লৈরাং মখো সত্যমগী থবাই মচেৎ মচেৎ শেগায়দুনা চাইবনী। ঙসিদি বর-কন্যা অনী অসে মীয়েংফম ওইখে।

লুহোংফামগী মহাক অসিনা কবিগুম্বদা মহাক ওইবগা থোক্লবদি মহাক্কী নুংঙাইজবা হায়বদো মশক শেংনা থংহনগনবনী। অদুবু তায়োম্নবা গ্যাম্বা মহাক্না তায়োম্নবতা শিল্লি। কবিগুম্বা ওইবগা থোক্লবদি মহাক অসিনা মহাক, হয়াও হয়াও লৈরাং খুজোক খুজোক পায়দুনা নুংশি মায় কোকথক্তা চাইথজরমগনী। চাইথবতা মতুমা খোংথাংসু থোইনা হেন্না কন্না থাংডমগনি। খোংথাং খূদিং চাইথা খূদিং হায়গনি, "রায়ে য়ামীন্নশি, নুংঙাইবে নুঙাইমীন্নসি, পুন্সিসিমৈ থাদোকপিনুকো নমাই-নুবীবু"। অদুবু পুন্নমক্তো পুন্নংকী ওন্ন তৈমনা থোকখে। মৈচাক-তনা য়োম্লবা বাখলতনা কুধোম শারবা হৈশীংদন থাংবা বিমোলিনিগী খোংথাংদুগা তানচানবা পুং য়ৈবদা পুংয়ৈবা হুমাং অমগা কাখে। করম্বা থম্মোইনো খ'দে অমুকসু কংডবা চিন্নানদো মোমোন নোকচৈ। নুংশিরবা কেতকী খে'ঞ্জেনদ হৌরবা মাইক্ল পুখিদুন থুল বাংমা লামনা শন্দোকখে। পলেম পঙ্গৌ হুমাং য়ায়, বিন্দ্রাদেবীগী মখোংদা অঙৌবা কুণ্ঠো শাক্ষি ওই, বর কন্যা অনীদো পুন্সি লৈপুন শেমখে।

ঙসিদি মালেম পৃথিবীসে হৌঙা ইহৌঙলগী থাসিগী অহিংদৈ হেন্না মমখ্রে। মচি মচিদৈ মোংথাং কুপ্পা, মোং খোংবা চৌরকলে। বিমোদা মক্তে থাজবা সুমীৎলৈশুমী, মহাক্কী চান্নজরবী সুমীৎ ঙসিগী শকউবা ফংজদ্রে। ঙসিগীদি উন্নমী হায়বসু থাজদ্রে। সুমীৎলৈদা মক্তে থাবলৈশুমি মহাক্কী থবাই থ জদো ঙসিগী শকউরবোই খন্দা মীপাইজরীবনি। ঙসিগী সুমীৎ অসিদি অবাবৈ চান্নরবা মরুপ তাক্তা ঙাইখ্রে। অমুবা মোংমা কিন্থুগদবৈ শেম শাদুনা লৈখ্রে। মোংথাং কুপ্পদা মালেমসে পুমডাল পুমডাল ঙাল্লি। মোং খোংঙি অদুবু মোংদি তারকপা থক মরৈখিদ্রে।

ফুগায়না শাংলম্বা লৈরাংমা উফুললক্কা খোঙ্গাওনরবদা মতমগী থাইমুনা অনৌবা কায়দোংফম থিবা হোনশানি। অদুবুনে ঙসিগী খঙ্গাওনরবী লৈরাংগী খোইমুসিদি প্রেমগী থারাগা ইরোইনমা উফুল্লক্কা ওল্লবী মশামৌ মাক্কে হেন্দোক্কে। ফুগায়না শাংপা, পোমশাংনবা কয়াসু মীহোক্লদে মীতাক্লদে। সুপ্নদে লাইবক থীরবী মহাক্কে মাক্তা ইরোইমীন্নরী। মক্তে অউবা কয়ামা খোইমুসিবু সুংশিরোইদগে ?

মোংমৈ হু খৈদেনদো তশেংনমক ঙসিদি সত্যমগী থম্মোইদা অমুত লৈকোল ওইখ্রে। মপাং কমা য়াওদনা থুরবা লিক্লি মচিনদৈ তারকপা থরোই মহিগুন্নবা লাইজদো থকচিল্লি। অঙাওবগুমখ্রে। মীংকী পিরাংদি লেপ্পুনা চেন্থরক্লি। ঙাংলবা ময়ন অশীদো শাওরপ্পা হৈনীংদনা পাংলি। হাংপীগ্রবা শম্লাং মনিং তৌজরি। সুংশিবনা শিং ওই, থায়নবনা মৈ ওই, শাওনীংবনা মৈথৌ কন্দুনা কুমগী লাম্মৈগুম লাও খোংনা চাকখ্রে। থকচনবদা ঙমদ্রবা হিদাকতুদা য়েংদুনা অঙাওবগুম, "য়ু মগী মপালতনা

পুন্নিসে শাস্তি ফংগনি। অরা-সুণ্ডাই অমীমক্তা ইচন্দা চন্নবা যু" । থক চন্নি "ওইমী থংবা শাগৎচক্কবনি ঐগী দলাম, অহুবু ··· ·· ···" । থীং থীং মোকথোকচৈ। চিন্নাইদবী বিমোগী ফোটোদু চাথোক্কদবনা য়েংঙি। "ভবানবী চীনবাকদৈ কৈথরকপা খোইথুম্নবা বাকৈশিংদো ভুজিদি ছগী জেং ওইরবা" ? চিন্নাইদবী ফল্লাংগী ঙগেকপা মুর্ত্তি কয়ানা সত্যমগী মচৌদো মোকুরি। অমমা হায়রি, "মিপা ওটম পোক্লগা কৈগীমো থম্মোই অড়প পীক্লীবদি" ? অমনা খুম্মী, "মত্তে নিপাদি ঈ ভোংবা শা মক্ত্রব্রাও' ? অমমা খোম্মাংরকই, — "মখোয়সু থম্মোই পান্দবনিমহে" ? থংতোদে কাতুদা সত্যমগী মরুপ কান্তুদো চংলকই। সত্যমগী ফিভম উবদা কান্তুদো ভু চুংথিবা থংহোদে। ফিভম য়াম্না থীমা হোংখে। কৌক্কই, "সত্যম" ! হিদাক ভাওজরবসু মরুপ্তুদি শক থংখি। মরোল ফাইনা হংলকদ, "কম্নিগীদমক্তা মাংলবা ঐগী খোঙ্গুল লিন্নকইবনো" ? "মরুপ অমদ মরুপ অমবু ফওবা লম্বীদা চৎকলমী দে। হায়মু কম্নিগীদমক্তা অসুগুম্ন ময়ায় কারবা চিঙ্গাকশিংসি চা-থকইবনো ? ঐদি মডমা অসুগুম্বা চিঙ্গাকলে শিজিন্নরকনি হায়বদি মওদাফাও মওলমদে" ! "অশেংবা মরুপ ওইরবদ ঐগী লম্বীদা অপমবা পীরমলোইদবনী। ঐগী পুন্সিমা শান্তি ফংদবদো ঐগী মরুপ অমা ওইনা য়েংবা ভমগত্রা ? ঐদি ঐগী চাম্নবীক্তুমা শান্তি ফংমী হায়দুনা হন্নাওনা বীদায় পীরম্মী, কম্নিগীদমক্তা ? মুংশিমবৈদমক্তা' ? "মরুপ সত্যম" । যনিং মমাং থৎলবা সত্যমগী মাহৈদো কান্তু জ্ঞাম ভাথিদ্রে। "কম্নিগুম্বদা মওসু ঐগুম্বা মীশক অমা ওইরম্নবদি কৈদো-মুংদসু ঐবু থামলমলোইদবনী" । "বিমোলিনি মত্রবদি মণিপুর মুপী কৈত্রব্রাও" ? "কলক মীহোবা মুংশিবা মীৎতৈ হোৎকই। মীৎ অমাগে

শয়ত্তালনি। অমংবাতা মীহৌবা মৈমাংনবীদো ঐদি মত্তে। ফজবা মীহৌবৈঁ-দমক্তদি হিংলুহুনা কাম্নদে। বাজাং খুদিংগী চিংচেপতৈ হায়থরকপা ঈফুৎকী লাইজন্থ ডায়খে। "সত্যম, য়ু থক্লগা কৈদোম্বুংদন্থ মাগী বাখল কাওবা ঙম্লোই। থম্মোইগী মৈচাক মুখংকে হায়রবদি মুঙাইখোকপা তম্মু"। উইরূপ উইরূপ পাংবা মীত্তুনা লংথোক্তুনা "মুঙাইখোকপা হায়বহু কদায়দা লৈবগে"? "মীওইবা খুদিংগী থম্মোইদা লৈবনী। য়ুনা মাগী বাখল কাওবা ঙমলোই। থকলিবৈ ডাইক্তুদনি কাওগদবা"। বাখল লৈরবা মীশক্তুম সত্যমদে ফাক ফাক মোকথোরক্লে।

"মীকুপ খুদিংগী য়ুগী মেশাদা তাওরবদি কাওরেদনা"? শোম্থাংনা, "সত্যমকুমার"! ঙৈহাক্তি শুমচিক চিকখে। হংলকই কাম্বনা, "কমিগী বাখল অহুক থেল্লি। মঙস্থ তাঁমবা খংলবা মত্রা? পার্ব্বতিগী আশা কাওমবৈদমক্তা দেবদাসনা হৈনম লৈনমগী চন্দ্রমুখিগী লৈকোন্দা চংখি মতুংদা কমদোখি"। থম্মোইগী ইথিল অমা য়াওনা হয়াওনা মোক্তুনা হায়রকই, "য়ুগা মরুপ ওইহুনা, য়ুতনা লায়না ওইহুনা মোঙ্গাখ্রবস্থ দেবদাসনা পার্ব্বতিবু মুংশি হায়বদি তশেংনা উৎলম্মীদনা"? ঙক্লা "সত্যম"। "মুংশিবদি চিন্নামথোংগী মত্তে থম্মোইম্মুংগীনী হায়বা অহু-তমি উৎপা পাম্মীবা"। "মহু সমাজদা উৎলগা কমি কাম্নবগে"? 'মীংচৎ তাল্লিবনি, ইকাই ইজ্জৎ ঙাকচরীবনি"! শাওরপ্না থুম্মকই। শোখাংনা "মীংচৎ"! "উম! মখোয়না য়াদবা মত্রা বিমোলিনিবু লোশনবা। মী-ওইবদি ইজ্জৎকীদমক্তা হিংবনি। সত্যমগী মুংশিবদি তাৎনি, মুংশিবনা মচু ওনখ্রবদা মাস্থ মচু ওনখে হায়নরবদি ঐগী চীংচৎ খীগ্রিত্রা? মহাক্না মচু ওনখ্রবস্থ 'মহাক্কে আশাদা কনাবুস্থ লোইমদনা হিংঙবদি অশোংবা

সুংশিবনি হায়না চ্রাংমল্লোইদ্রা ? ঐগী মীংচৎ কজবা মল্লা ? মাস্তু মশাই ইজ্জৎ কনজখে । ঐস্তু ঐগী ইজ্জৎ কমজল্লগে” ? অচুম্বা ওইরকোইদবা মাহৈহুদা কান্তাদো গত্তি লৈখিদ্রে । “মঙ যুগী মেশানা জ্ঞান ফাদ্রে, চৎলি” । “কাদ” ? “যুমদা চৎহন্না মঙ কাযদা লৈগে কাঙ্গীবনো” । সত্যমদো শাওরক্লে । “মঙগী চানবীনা হবাওনা হাযবদা হবাওনা য়াব-শুম, ঐবু মরুপ অমা ওইনা সুংশিবীবে ইচীক অমা পকপীরবদি ঐন হায়বা য়াও, ঐগী মাং থাদুনা চৎলু” । মনীং মমাং থৎলবা মাহৈশিদ উপায় লৈতহুনা সত্যমদো হাইরং হাইরং কাড়ুদৈ মপাম থোরবই ইস ! অভিয়াশিদি অমুব েমাংনা কিম্পুগদৌরে । মালেমশে অমমাং লমল্লা ওইখে ওস্থে কস্তু মমখেদা । ঙসিগী অহিংসিমুক মম্ব' থেংনাদ্রি অমম্বা মত্তুমা কৈস্তু উখিদ্রে ।

বিমোলিমিগী লুহোংবা লোয়থমাকে চ্যেক মোক লাওখিদ্রে মোংলিক মচা মচা য়াওবা সুংশিং মবুক ইংনা শিংশা চৌরল্লে । মোংথাং কুপ্লক্লে । নোং থাকলক্লে । ফমা থেংজমথমংলে পোম্বী চেল্ল থরদি মথোল থোক্লা কপ্লক্লে কৌজেং হারোশু ওন-থোয়রক্লে । হড়োই লাবা অমোমস্তু মোংথাং অগুক কুপ্পদ' সত্যমগী শক্তমদো উহৌড়ুম থোংবানদৈ অরা ঈপৈ শক্লকলি । সুংশিংস্তু থোয়না হেম্না কন্না শিং-লক্লে । উপাল বাপাল পুম্বা হাইনা হুম্না থাংখে ।

ঙম্না তুমগমবা কাংবুদি মীকপ অমা অমী থোক্লরম্লগনি । শাশ খোয়গী ইমুংস্তু চা থক্তুনা মুভাইবা মঙলান্দা তুম্নখে । বিমো পুরিংগী মীহুনদো তিং তিং চোংহুনা মপুরোইববু খোরাংনা ভায়জরি । পরেপকম চম্ংথনা চেম্পুরীবা বিমোলিমিগী বাখলদা চিংনবা অমদি অকিবৈ থাব

মীকুপ থুদ্ধিংগী হেনগৎলক্লি। মপা হুমাংঙা লুপখে। খত্থুরুমগা হক-চাংদো চেঙ তৈবঙ্গুম্মা নীকখে। খংহৌদনা খোংদা দং দং থীন্দুনা খোঁল ফাইতক্ল কৌরকই, "বিমো! বিমোলিমি"। খোঞ্জে হাংদোকলুই। কেপা হায়রক্কে পান্দুনা হাইরং কাইরং চংলক্লুনা মফি-মখোল হোংদোকই। বিমোঙ্গা বাহৌখ্রকই,—"কৈগী দমক্তমো ঙসিগী সুঙ্গাইরবা সুমীৎশিদা য়ু থকপীরীবশিবো"? লৈয়েং ফাইনা "নুঙ্গাইবা ফোংদোকপগী: কৈঙ্গৌ-রবগে" ? ঙৈহাক তুমীন লৈবৈ। হায়রকই শাশিনা, "বিমো ঙসিদ ঐ বা অমা হায়গেকো। ঐবুশু শাগুন্সু মঙ ঐগী লাইবক্তা অম্বুঙ্গা থোকউ তমখ্রবমনি। তৌখ্রবা পুন্না কাওথোক্লুনা লেমহৌরবা পুন্সিসিদি সুঙ্গাইথোকপা তমলোকো"। "পুম্নমক্কে ঐ অমতা নীংশংদ্রে। ইবুংঙোদি মীৎনা উবা ঈশ্বরনি। পুন্সচুপ্পা মরুম থুপ্ন হিংজগে ঐবু থাদোক-পীগনুকে" ! বিমোগী তমৌরলা মায়গোংদা কারিবা হুমাং মরীক মরীক-শিংদো উবদা শাশিগী থঞ্জোইদা অমৌবা ইমোৎ হাপখ। বিমোনো মতোমদা কিজবা ফাওখি। ঙাসিগী লুহোংবৈ নুংচাইবা অহিং সতবু খোৱাংনা ঙাইজবনি।

মোংসু থাক লাওবগা লোয়নবা চুথরক্লে। নুংশিৎসু ঙমজবী প্যাঙ্গল পুদোক্লুনা হৈপাল লৈপাল পুম্বা ফুকতৎলগে মতাঙ্গুম শিৎলক্লে। কল্লবা মালংবৈ শাফুদা থাংবা ঙমত্রহুনা উপাল বাপাল খরদি হিপথখিবসু য়াওয়ে। মহুন কায়রবা কয়াই মীকপ-না ওইনা তাবীখিদ্রে। অচৌবা লেন্দুম লেন্দুম হৈথরক্লে। মোং থাকই। পৃথিবীসে চেকখাইরবোই মীংডি। কোমৌ মাগী কপথারাং, মোংথোল মাগী হুস্থরাং তারমলোই মী"দে। অঙকপগী মীকুপ খরদং তাবদা পুত্রী মোংবাম পুম্বা ঈমায় চোল্লে।

মখমখন্থ শুক শুখে। ঙসিদি মালেম পৃথিবীসে ওন্থে ক ইশৌ লাংখে দা। ভমাল ভমাল্লবা শাবী শামৌগী কাদা থাল্লবা বিজুলিদো মঙাল শাম্লখে। খাক লাওবগা লোইমগীবা মোং মুংশিং অমদি তিলগী মথক্তা অচৌব লেন্দুম লেন্দুমমা হৈথবৈ মখোলনা শাবী শামৌগী মরীদো তাখিল্লে।

ম্নাক্লবা ঙমজবী থাক্তুনা লাওরবা নুপী অমৈ খোল্লেল তাখি, "মী হাৎলে মী হাৎলে, ইজ্জৎমা মী হাৎলে"। হন্না হন্না লাওই। চৈমাখেৎল খাংবা নিপা অমৈ খোল্লেলন্থ, "আ! আ"! শাবী শামৌগী কাহুদৈ মীশক অমা থোংহু হাংদোক্কনা মোং মুংশিং মথক্তদা চেমখি। তুজুংলবা খোল্লাওতুনা শিংলবা রাজাখোম তাহৌরতুনা পাখৎপা অমগা লোয়নমা কুক হৌগৎতুনা মচানিপাই কাদা চংলক্কনা বিজুলি থাওমৈ থাঙৎতুনা য়েংবদা শাশিকুমারমা ঈশক্ত ইরোইখিবন্থ উখি। পাখৎনা কন্না কৌখি, "শাশি! শাশিকুমার"! তুন্নবা পুন্না মীকপ খোক্লমকখি। পুন্নমক্না ভশেংমা থংখি মহুদ বিমোলিনিনা শাশিকুমারবু থাংনা থীন্দুনা হাং-লমলে। তিলগী মথক্তা মোংলিক, লেন্দুম হৈথবৈ খোল্লেল, খাক লাওবা, মোং মুংশিং অমদি ইমুং মমুং কপ্নবৈ খোল্লেলগা তিন্নখে। মোংদমবৈ ইশৌমা লৈকায়গী মীওইশিংদি তাহমলমদে। কহিন্থ লৈব্রবা খুরাইগী তুগুল্লবী নুপীমচা অমৈ ময়াই লাংদা খুদিংমক তিল ওইহল্লে। খুদক্তা পুলিসতা ফোন তৌতুনা মোংলক্কদা পুলিস গাড়ী অমা লাক্কনা মরম পুন্ন হংখি। ঙসিদি কান্নবা থম্মোই অমীগী মপাং অতিয়াগী মীৎলু পিরাংমা মালেমসে পুমলং লংহল্লে।

মোং মুংশিং মরক্তদা অকি অথং লৈতমা, লেপ্লা মাইদনা বিমোদো চেল্লক্লি। মোং মুংশিংন্থ মবুক তপথদে। মোংথাং অমুক অমুক কুপ্পদা

বিয়োগী য়েৎ থংবা খুত্তা খুত্থম চেৎনা পায়রীবা লংলবা ছুরিদো উই। পক্লন্না ঈ-শিংদো মালেমদা চেন্থ্রি। চোৎলবা ক্লোইকাইনরবা শঙ্লাং মালংবন হুন্নীংবা মায়কৈদা হুম্মি। অস্থম চংলক্লুনা কনাগুম্বা অমৈ থোঙ্গালদা চংগদবে, জ্ঞান লৈরবী অমগুম লে ল্লন্বা কোন্থোংচৈদ্রু শৎ-চোক্লুনা চংলকই। হুরানবী অমগুম শুমাং মচিদা লেপ্লহুনা কোইরৈ লৈত্রুনা য়েংভি। মত্তোমত্তা খঙ্গে, "মতমসে হুরানবা ভাকুনফাও চৎনদ্রবা মতম্নী"। কল্লদা য়ানমানে অতিয়াই পিরাংশিংদো খরা খরা খক্লক্লে। পাঙ্গল কল্লন্বা মালংবদো পাঙ্গল শিথক্লুনা মবুক তপ্ন লিরি লিরি শিৎপা হৌরক্লে। বিয়োদো মাঙ্গো দ তপ্না তপ্না কাথৎলকই। মাযথোংগী ঈরীকশিংদো তনৌববী থুংচাম তৈথোকচৈ। ছুরিদো য়েংশনজে। হায়যেৎ পাংৎপে খোমযাংদা থোংক্লু দং দং থীন্দুনা কোকই "ঈমাবোক! ঈমাবোক"! অচিকপা নতুন কনাই পাওথুম ফংদে। ভসি মীচিক মীরাওখোল তাত্রদ্রা, ইশৌ লাংলনা অহিংসে কনাবুস্থু কিকবা লৈত্রে অকিবা হায়বশিংদ বাখলগী মখা পোল্লী। কিবু কিরবদি চয়োৎ হাবুংনা লাই শায় হায়বদু অচুম্বনি। শুক্লা মন্নম্বা অতিয়াগী নোংজুমশিংদো হৌন-হৌনদুনা চৎনখ্রে। পুংজা কয়া উকন্দ্রবা মালেমসে মচি থরদৈ মমীৎ তরং তরং পাংদ্রুনা থরাম লিশিংনা য়েংথজরক্লি। লমহেনবা নোংদুম মচা অমা অমীতা তায়খ্রে। লাও গোংনা কপ্লম্বা নোংথাং, পাঙ্গন ফরস্ব মালংবা তুমীন তুমথুল তানজখ্রে। অচুম্বা লম্বাইদমক্তেদি ঈশ্বরনম্ভ লমজিং মৈড়া পায়বী।

"ঈমাবোক। ঈমাবোক"! পাখংনা কৌরুই। ইমুংগী মীওহত্থু তাংলকপা তায়। অহল ওইরবী নুপী অমা, "কনানোনে অস্থুক থেংলবা

অহিংসিদা ঈমাবোক হায়বা কৌরিশিরে" ? বিগোম্ব মথেল মখাং তাহোই। পুন্সি চেংজেল লোইরমদাই এইবনবা অকলদো অকিবা ফাওরমদে। তিপ্লখদে কৌগন্ডুনা মভাল ফরবা থাওমৈহু চুখংলি। ইমুংদে হংলকই, "কনাবো" ? বিযোদো হাযক্কেৎ পুক্তাইদৈ, পম্মুদবা খুম্লকই, "ঐমে ঈমাবোক ঐনে"। অপেম্ব ছিক্লবা খোমককমহু ; অহলহু হায়ক্কেৎ চিংমখি। হংলকই, "ঐ হায়নবু কনাবোদে" ? খোঙ্জেলহু হায়ক্কেৎস্থু চিংদৈ। ইমুং মন্নুংগী মী হায়বশিদি খোঙ্জেলদ অহুমক ফাব ঙম্মী। মতম চাদবনা পাক কোবা ঙমদে। থেংলব অহিংগী মুপীগী খোঙ্জেল খোয়াংগুমু, ভাল চাদনা খোংবা কোকিল, য়েলখোং কায়বা য়েল, নৈবাক তোংপা জুই কনাবা পম্নবগে ?

থোংহুমু পাক হাংদোরক্তে। খোকথ বশিংদো খন্তরুবগা বিযোদো অকিবা তুজুংবা ফাওখি। ইংবনর কিবনবা মথাদো চেঙ খৈবদে কেম্ন মীকখে। অপেম্বা খোলনা "ঐমে ঈমাবোক বিমোলিমিমে"। অহলহুই চিংমবহুমক চুমখি। খোইনা হেম্না চিংনবা ফাওখে। হংলকই ইমুংদে, "কৈগীনো অমুক থেংন ? মত্তে খংনা চৈনবা য়াওব্রাও" ? হৈ-শিংন "উং"। থাওমৈহু পাযহুনা অহলদো থোং হাংদোক্লুনা মপান থোরকই। অহল অসে কনাগুনা মত্তে শিমোলিমিগী মমাই মচে মংলেম্বীনী। ইম্ফ অমত্তা য়াওদনা পুমচোৎ চাংলবা হকচাংবু মতোমতনা কোমশনজহুনা চেঙ খৈবগুম্না মীকপহু উবম্মা। কৌকই, "ঈবেম্মা" ! খোঙ্জেল তিক্লা খুম্মী, "ঈমাবোক" ! "কৈদোম্নে নপুযোইবগা খৎনবব্রাও ? মোং নুংশিৎ মরকসদা অতিং মোংয়াইশিদা অমুক শাংলবা লমশাংসে করিমত্তা কিওব্রাও ? চংলকউ চংলকউ"। থাখলগী তুংযিমা মীক্লকপা হকচাংদো

মংলেম্বীদি মীংথম্বা ওইনা উক্রমানে কি অমা পী। "সে ফিদি হোং-দোকত্ত মা-তারেনে"। অচোৎপা ফিরোলনা লৈতেংলবস্তু হকচাংদি ছুমাংনা পুমলূপ লূপখে। সুংশা স্বর মপী হোম্বুরে। "ইমুংদা চংঙদি লাকওনে"। ভসোইদৈ মচি শুকলেং লেংখিগ্রে। শিস্তবক্রীবা পিরাংদো মংলেম্বী উখি। "নশামা য়ামিংদ্রবদি কৈদৌনা ওংঙু মিবনো? নঙগী য়াকা তুংয়িন্ন লুহো বিযে। মমাতোলস্ত্র কৌশলবীয়ে। নঙগী মীংবা খুংনবা হোৎনবীরেদনা। লৈকায়গী মীনোক ওইনবা নঙশিবু ওস্থোক্লা তোংঙমখেদ্রা। অস্থক শাংলবা লম্বীসে মুপীনবু ছুট প্রেট করিমতা কিদ্রব্রা? মংলেম্বীদো শাওরনই বিমোদো অস্থক শাংলবা লমশাংদে লাচুংবা লৈতনা লাক্লি। হুজিক্তা তুজুংব, ফাওরক্লি। বিমোদো মোমোম মামোম মোক্তুনা মংলেম্বীদা ওনশান্দুনা হায়রুই, "ঈমাবোক হুজিক্তি ঐগী মীংবা পুমথুং থুংঙে"। মংলেম্বী ফনা অহল ওইজবমস্তু বিমোগী মাইহেদে, জ্ঞান তাবা ঙমখিগ্রে। খংহৌদে কদোমদৈ লাকপা গাড়ীমো মংলেম্বীখোযগী থোঙ্গাপদা খামলে। বিমোলিনিদো তু থ্যাও চুংঙি। পাখৎপগা লোইমনা লাওখি, 'ঈমা পুলিস"। খুৎলৈ থুনা ইমুংদা চেনশনখি। মংলেম্বীস্তু পোংক্তু গম লাওনা থিংক্তলখি।

গাড়ীদৈ কমগবক্লবা হৈ শিংলব, ইন্সপেক্টরনা থোঞ্জেলদু তাখি। মী ংপীহু লৈয়ে প তুনা কন্সটেবলশিংস্ত চেকশলহনখি। কুইদে কন্সটেবল অংনা থোংত্রদা দং দং থিন্দুনা কন্না "থোং হাংদোকউ"! চেং খৈবগুম্না মিকথুনা বিংংদো য়েংত্তক স্নংশা পীনা হংঙি,—"নস্তে নঙবু কৈদৌ-ঙম্বরগে? থাযদো কৈদৌক্তরবগে'? থোংদি লেপ্তনা থীল্লকই। দপামদৈ "ক ওনশংরক্লগে" হিক্রপা থোঞ্জেলনা ঈমা! ঈমা"! অসিত্তা

তায়খে। মংলেম্বীদো ওশেংনা শাওরক্লে। "অদুগা মহুবু কৈদৌরিক্নবগে হায়রবনি"? থোংগী হাংদোকখ্রবদা কন্সটেবলনা কাওখায়রক্লে। পুন্দক্লা মীহাৎখোং অদুগা লোয়নমনা মীহাৎপীগু ইন্সপেক্টরনা কাখে। ঈবিনলচু তাবদা ইমুংগী মী পুম্নমক লোয়না মীকপ থোকখরক্লে। যাম্না গুয়বা মীশককুম যমীৎ চক চরু পাংচুনা মংলামগুম ওক্না য়েংখি। ঐকোঙ্কী মমুংদা খংখি, "সুপীবু শায়পোৎকুম্না খনবা সমাজগী মায়থোংদা মাংহৌবা কাউমব সুপীগী ইজ্জৎ অম্বীদবা শাশিকুমারবু পাঙ্গল শোল্লবী বিমোলিনিনা থাংনা থিন্দুনা প্রেমগী লাংদা থুদুনা ইজ্জৎকী শিকারী ওইখে। সুপী-ওইবী কয়াবু মায়মীৎ পাংকন্দুনা অনৌবা প্যাড়া অমা তম্বীরংগে"। ইন্সপেক্টরগী ওদরনৈ কন্সটেবল অমনা হাড কাড়া চল্লে। ইমুং মৈ শুমাংদা পুথোরকই। কপ্পা কপ্পা মংলেম্বীদ হায়রকই, "ঈখোক মচাবু ওক্কনী তাকনবীগনু। মাংলবা পুন্সিদা মাংক্তখিবদ পাম্মী নৈত্রবী ঐহাক্নী"। মংলেম্বীদো কপ্লক্লে "ঈবেম্মা"। "কবিগ কপ্লী? মীনা লাকচবা য়াত্রে? সুপীদি মী মংত্রবনে? মিপাকনা ঐংঙ্গা ঙম্বা"? "ঈবেম্মা"! "মশিদা থোক্লবৈদমক্তা শিমবনি। মচু ঈবোক ঐবু নুংশি মশক খংদবীরাও? তাম্মো সত্যম দহাক্না পুরংনা থাগৎমীডাইদৌ"। অডাপ্পবীগুমখে বীমোলিনিদো মখোল থোক্না নোকথোরক্লে। "হুজিক্কি শাশিগীসু ঈমাতোংগীসু ঐনীসু মীংবা পুমথুং থুংনরেদনা। কন্না লাওরকই "ঈমা মচাই মমল ওইনা শেন কয়াম পাম্লীবগেনে? মসিদা থোক্লবৈদমক্তা শিনবীরীবা মত্রা? ঈমাই মায়দি মচানা ডাকচরে ঐগী পুন্সিবুসু কনবীরোনে ঈমা"। পুলিস ইন্সপেক্টর কন্সটেবল ইণক ওক্না য়েংনৈ। মোংশাগুম ওংদুনা "কাখোদনা,